


023KAM
L937

1056 | Man
Kamaljit (Ma
..angthem)
.. awa

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
IMPHAL - 3



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

অশিবা ওয়ারবী মণি।

এম, কে, জিং

[illegible]

Do

BY

16556, Man

প্রকাশক,—

শ্রীপুখ্রম্বকচম্ব ভুক্তি সিংহ

[illegible] লৈকৈ, ইম্ফাল মণিপুর।

* * *

অহানবা কোংবা ১৩৭৮ মঙল লুপা অমম।

অনিশুবা কোংবা ১৩৭৯ ময়ম লুপা মঙা।

খুবেন্দ্র [illegible] গোল প্রেস, সিংজমৈয়া নম্বা।

* * *

——অহুমশুবা খুৎয়ম ১৯৮১ মীশিং লিশিং অনি।

লাইরিক মচুম অমসুং ইথ্রক [illegible] গোল প্রেস সিংজমৈয়া নম্বা

* * *

[illegible] শিব প্রেস পাউনা বাজার।

[illegible] রিভিউ [illegible]

পাউনা বাজার ইম্ফালদা লৈ।

* * *

মখুম চেক্‌পা — [illegible] সিংহ।

ব্লক শাবা — [illegible] প্রিন্টিং প্রেস [illegible]।

অফোংবগী ৱারোল

শ্রীমোইরাংথেম কমলজিৎ (এম. কে. জিৎ) না ইবা "অশিবা থৱাইগী মমি" মিংথোনবা উপন্যাস অসি শোক ১৯৭৮ অমসুং ১৯৭৯ দা মথংশিংনা অনিরক ফোংথ্রবা তুংদা মতমগা চুনরকপা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা উপন্যাস অমা ওইরক্লুনা অইবদা মীয়ম্না লাইরিক পীয়ু হায়রকপদা অইবনা মীয়ামদা লাইরিক পিবা ঙম্নক্তবা অমরোমদা মণিপুর সরকারগী এডুকেসন ডিপার্টমেণ্টনা লাইরিক অসিবু সপ্লাই তৌরকউ হায়বা ওডর অমা মেগী তাং ২৫ ৮ ১ ইংদা ফংজবদগী অহুমশুবা খুৎনম পুথোকপা তারকপদা, "য়াওসি ঐথোয় সাহিত্যা লমজেল" কৌবা সোসাইটি অসিনসু মীয়ামগী ইন্তরেসতা অচংবা চে পুম্নমক মতেং পাংবীগনি হায়বারকপদগী ঐবু অহুমশুবা খুৎনম ফোংজনবগী থৌদাংচাব ফংহনবগীদমক অইবা এম. কে. জিৎ, অমসুং চেগী মতেং পাংবীরকপা সোসাইটিবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। লোয়ননা মীয়ামদসু সুংঙাইজবা ফোংদোকচরি।

লাইরিক ফোংবা—

ইম্ফাল — শ্রীথুমুকচম বুদ্ধি সিংহ

তাং ৫ । ৩ । ৮১ ইং — শগোলবন্দ খমনাম লৈরক।

শ্রী এম, কে, ঙ্গিংকী অহানবা অবদান "অশিবা থবাম্বগী মমি" লিংখিজরবা তুঃ থস্তা উপন্যাসনি। নায়ক মপোক হিংবা নোংদম্বগী তমখিবা মপাম্ম মথরাম্বগী চৌদা চেনবা নায়িকাগী প্রেম, প্রেম্না মপুং তমলকপা লুনা ফজবা, প্রেমগী লিলা মথল মথেল, খল নায়ক লৈচিন্দ তেল মরোল মরোল, নোংদম্বগী তমখিবা মরোইশিন নায়িকাগী অম্বাবা খরাই নায়ক্কী থমোইনা মচেং তানা লোয়না তুম্না কায়বা, ভাবুকী থম্মোংনা তুংহন পুমজোইনবা তুঃ খান্তগা মশক্কী, যেংনা লিংখিদৈ। থৌর্জেসিগী তুঃ খাস্তা, হৈনা ফিংবা বিষয় বস্তু লৈংথনা সেমলবা চরিত্র-সিংদা সমভাব, সমবেদনা লৈনা তংলংবা অরা ফুংঙাইবনাচিংবগী পাওদম, পীরিবা বতাবরল পুরিবা শৈলি তংলীবা উদ্দেশ্য মখোম্ম থুদিংমক্তা থৌর্জেসি হাংহারনি মশানা অকুম পীথোকক-পনি হায়বা তাকই। মহক্কী থোকথোক্তবা অমনা মৈতৈ শিষ্ট-সমাজগী শিষ্টচার কুর অনাহুর লৈতবা, নায়ক নায়িকা তানগী প্রেমগী অরেনব, অথুপ্প হো তমলুন হৈনা তম্না উম্না অসিনি। মসিদি থৌর্জেজ থুদিংদা চেক থোকপ নংতে য়ম্না অঙাংবা গুণনি। নহা ওইবা থৌর্জেজ সংনা লোংচুপকী মোর্ডন বেষ্ট সমরাসংগী মওং তমদুনা যথার্থবাদগী মমিংদা কার নচুবা লৈতনা, অরোনবা অথুপ্পা অমত খাক্তনা মথুং থাংরকপাসিদা নহা ইঙুই ওইনা মতমগী লানা অমদগী তরাই কনবা উমজিবা অসিমক্তা মহাক আস জাতিকী লিংখিজবা সঙ্কট য়েক্না যুগগী সেবা তৌগদবা সাহিত্যকারনি হায়বা অতুম ভানই মতাংচে। থল্লুবদা নুংঙাইবা অমনি।

শ্রী এম, কে, ঙ্গিং মণিপুরি সাহিত্যসংগমদা, উপন্যাসগী কক্ষদা তুঃ থস্তা উপন্যাসকার অম ওইনা লিংছ অনা কল্লরগদবা মীশক্রী। মণিপুর মতোন ভিংক, কন্না থক পেথাবা লৈতবা পীনসনু, মঙ্গোল ওইসনু। ইতি—

মঙ্গলকাঙ্ক্ষী

ইম্ফাল শ্রীঅশাংবম মানকেতন সিংহ।

২৫ মে ১৯৮১ উরিপোক পঞ্চায় মনিং ইম্ফাল (মণিপুর)

অশিবা থরায়গী মমি

( ) :—

"খোংথাং অমা"

নোংজুথাগী থেংলবা অহিংনি নোং লেপ্পনা চুরি, অতিয়াসু পৃথিবীসু অমম্বগী অমম্বা ডাক্তা য়েংথিবা খুদিংদা অকিবনা পিক থল্লি, য়াম্না মবুক মরা তপ্না চুরিবা নোংজুন্থ সন্ধ্যাদগী হৌনা চুরক-পনি। নোংজু ঈশৈন্থনা শুমন্থনা তাইবংমী পুম্নমক তুমথুল হুমখ্রে, অন্থবু তুম্ব কাইরবা উচেকশিংনা মরক-মরক্তা খোংলকপা অমম্বং নোংথাং অমুক অমুক কুপ্লকপদা ঐগী মাখলসে অমুক অমুক মঙ-ফাওনৈ।

"কংলাতোংবী মথাল খুমল হাওখুলদনি।"

ঐহাক খুন্দুগী নৌনা হাংদোকপা এল, পি, স্কুল অমথক্কী ওঝা ওইনবা লাকপনি। খুন্দু কংলাতোংবীদগী নোংচুপ পাংনা য়েংথিবদা চাওরবা চীংজাও অমা উরিবন্থগী মতোন্দা তাবা য়ুম্নাক কুম্ব্রামুক লৈবা খুঙ্গংনি। কংলাতোংবীদগী খুঙ্গংন্থ য়োনবা চৎপদা পুং অমরোম চংই। শা'লবা ঙম্নবা চীংমাইন্থ কাবদা মাৱবম্সু খুলন্থ হেক য়োৎবদা অৱাবা পুম্বা কাওথোকই। মাংলবা চীংদোলসিদা অসিগুম্বা লৈতেম মাম্নরবা থেন অমা লোৎতুনা লৈরমগনি হায়বসে

থাক্কবগী বাংনদা লৈখ্রবা বাকম্নি। খুন্দুগী নো'পোক চিথৈ পাংবদা অত্তোংবা চাংদোঙ অমথক লৈ। মতুদা ঐগী লৈফম অমসুং কা অচৌমগী অপিকপা স্কুলত লৈ। ঐ লৈরবা শাবা অপিকপা য়ুমতুগী মাঙ্গোলদা লেপ্লগা অথাপ্পা ইম্ফাল সহরগী মশেল মরাংবা লৈয়িশিং উবা ফংই। মমিংতু মু'থিল ঙাইহাক তুমথোকউত্রনা থেংলবতফাওবা ডু''ং যারমদে। য়ুমগী অহল-লমন, ইচিন-ইনাও কায়নরকপা অমসুং মাংলবা খুন্দুদা ইত্তোমত্তা তরক তরক লৈরিবত থল্লুবগা ঐগী থবায়সে অসুম অসুম পিকশিল্লকপগুম তৌরম্মী। অহিংত য়াম্মা থে'লে, লেপ্তুনা চুরম্বা নোংজুত হাংখ্রে, কৌজেং হারৌনা ঙমজবা খোন্থাংদা ঈশৈ শকলি; অথাপ্পদা নিপালনি কোনবগী থাজ মশেল মরাং থোরকপা উরে। পাক চাওরবা মোংদোলদা থবানমিচাক্কী মালিকা অমা অনিসু শাংকাইরক্লে। ঐসু তুম্বা য়াত্রত্নুনা মাঙ্গোলদা তুল অমা থারগা ফমত্নুনা লৈবে। থরা থরা উইথরকপগুম তৌরে ভুম্বা চংলসিরা হায়না থল্লকপগী তাক্কতুদা ঐগী য়ুমগী মথা ওইরপ্পা লৈরিবা খুল্গী মোংফমতুদা মুপী অমা য়াম্না কন্না নোকপগী খোঞ্জেল অমা তারকই। ঐ য়াম্না চিংনরে, লেপখৎতুনা মাইগৈ অদোমদা মুম্না য়েংঙগা তাই। ঙাইহাক লৈবগা অমুক কপ্পগী মখোল তারে, ঐ তশেংনা ঙকপা পোকলে! ঐগী কাদা চংলগা টোচলাইটকা থাং মচা অমগা পায়রগা মথোয়গী মী অশিবা ফুমফম মঙতু তাম্না চৎলে। থাবলগী মশেল-মরাংবা মঙাল মরক্কুদা মুঙ অমদা মুপী অমা ফমত্নুনা ঈশৈ শন্নিবতু উরে। ঙাইহাক তুমিম্না তাত্নুনা য়েংই, মাগী ঈশৈত য়াম্না নিংবা কাইনা শকপা মাল্লি। খুঙ্গংসিগী করম্বা

লৈশাবীনো খে.লবসিদা মোংফমদা কপলিবসিবো. ঐগী ৱাখলনি। খরগা অনুক চংশিল্লে, য়াম্না নক্লরে টোর্চলাইটতু হেক কাপশিল্লুবদা ফুপীদু অতুম উখিদ্রে। লাইহাক কোইকাপ কাপ্তুনা য়েংই, উবা ফংদে। ঐ যামন' কিরে, থুনা য়াংনা ঐগী লৈফম তান্না চেল্লক্লগা থো' লোলশিল্লগা কমুংদা হিপথরে অহুবু তুমবদি য়ারমদে।

হুজিক্তা খোকথিবা খোদোক্কুনা ঐবু অঙকপা অমসুং অকি-বগী লৈবাক্তা তত্তুনা পুবাবগুম তোরম্মী। করমবা মতমদা তুমথ-খিবগে হায়বদো, ঐ নিংশিংবা খোক্তে। * * * * * *

"মথংগী অয়ুক্কি"

ওঝা ! ওঝা !! খোঙদা দং দং থিল্লকই, ঐ মিকপ খংথোক থোক্লকই হৌগংলে. খোঙ হেক হাংদোকলুবদা ছাত্র ছাত্রি ময়াম ঐগী মাঙ্গালদা লেপতুনা লৈরম্লে। মতমদু ফুংশা ফনা কন্না হায়গং-লম্লে, অহিং মমৈদা তুমথখিদুনা মিকপ থোকত্রবা জাংনি। ছাত্র ছাত্রি ময়ামদুনা ঐবু খেংলগা পংনোক্তা নোকই, "চৎলো ! চৎলো ! স্কুলদা ফম্মুরো ঐ লাক্লগে" ঐগী ৱাহৈনা মখোয় ময়ামদুবু ঐগী য়ুমদু থাদোকহনখ্রে। ঐসু অমুক পন্থদনা ঈশিং খোঙলোমদা অতুম কুমথরে। ঈশিং খোঙগী লম্বীদুগা মোংফমগা য়ামনা নক্লে লম্বী চৎনা চৎনা মাঙফমলোনদা মীৎসিনা য়েংই, মীৎতা ঙরাংগী থোদোক্তু, শং শং উরকই ; ঙরাং অহিং ফুপীদুনা ফমহোবা ফুঙদু ক্রোশ য়ুংবা মোঙফম অমথক্কী মনাক্তা ঈশং ইকা কারদুনা লৈরি। চংশিল্লগা য়েংনিংবা ৱাখল অমা পোক্লক্তুনা ফুংদুগী মতাক তান্না

চংশিল্লে, অহুবু করিসু লৈতে, ঙাইহাক সুঙহুদা ফমথরে, ঙাইহাক লৈরগা রাখল থন্না থন্না ঈশিং খোঙলোমদা অহুম চৎলে।

হুনিংতু অঙাংশিং লাইরিক তাকপা ফাওবা চংদরে, ঙাইহাক ঈরাং লাংশিন্নরগা চু টি অহুম থাদোক্লে, ঙরাং অহিংগী অঙকপা খোঁদোক্তু, ঙসিদি হুনিং তাবগা লুমহুনা য়েংঙগে হায়বা রাখল অমগা লোইননা হুমিং তাবা ঙাইহুনা লৈরে।

হুমিং তাবগা মাইকৈ পুম্বা ইমম মমশিল্লক্তুনা য়াম্না মন্নিক চুম্নবা নোংজু অমা হরাও হরাও চুথরকই।

ঐসু ঐগী মাঙ্গোলদা ফম্নগা মোঙযম্লোমদা মাই ওন্দুনা লেপ্তুনা চুরিবা নোং মরক্তুদা মোঙফমহুগী দৃশ্যহ য়েংহুনা লৈ।

ঙাইহাক লৈরগা থরা থরা মমথরক্লে, চিংগী হান্নিনা মাইগৈ থুদিং ইরাং লাংবগুম তৌরি, পামলোঁদা চৎলুবা চী মী হুপী-হুপা সঙ্গু সঙ্গু ময়ুম ময়ুমদা হম্নরক্লে। ঙাইহাকী তুংদা মাইগৈ পুম্বা ইমম মমশিনখ্রে।

ঐদি মতমহু ফাওবা অমম্বা মাঙ্গোলদা ফমহুনা মোঙফলোমদা য়েংহুনা লৈরি ইযুংসু থাওমৈ চুখৎতরি, হুমিদাংগা চাকসু চাদরি, অহুবু ঐদি থোঁদোক অহুতগী থনবদা চাক লামবা ফাওবা কাওথরে।

মতমনা অসুম থেংথথিবগা লোইননা থুন্দু অসুম অসুম চিকথথরে। থুদা'দা শিন্নিব ঘড়িহু থাঙ্গৎতুনা য়েংবদা রেডিয়ম তৈরবা কতাশিংহুনা ঐঙোন্দা তাকলকই, হুমিদা গী পুং মাপল তারে।

লৈতেম মান্নরবা মোংফমগী অমম্বা লম্পাক মচাহুদা নোংনা চোংলবা তন্দলশিংনা মশিং থিবা ঙমদনা নাপি মরক্তা কুকেৎ কাফেৎ তোরি, পুক্নীংদ খল্লী নোংজু থাগী অতিয়াবু শিংনরীবরা॥

বাখল খন্না খন্না ফক্রাংদ ঙাখরগা ঙাইহাক উইরুরমাল্লে অথাপ্পা পামলৌ অমম্বা খুলগী মীনা চংবীত্রবা চীংমাই অসোমদা হুপীগী খোঞ্জেন্না ওঝা হায়না কৌরকপহুনা ঐগী নাকোংদ হেক চংলকপদা মীকপ খংথোক থোকলকই। মতমদু নোংখর হাংখিরমলে, হৌজিক তাখিবা খোঞ্জেন্দু চিংনহুনা হৌগৎলগা না থাঙ্গৎতুনা অমুক হন্না কৌরকপা ঙাইহুনা লৈরে।

অমুক হন্না চীঙ্গোল থুংনা খোম্থাং ঠয়রবা খোঞ্জেন্দু ঐগী নাকোং যৌরক্লে—

"ওঝা............॥"

খোঞ্জেন্দু খেঙলবা নোংজু থাগী অহিংহুদা অম্বুক্কী মতিক তনিক তনিক হুংশিখ্রে, অমরোমদা খল্লু খল্লুরগা ঐগী বাখলসি অকিবা অমম্বুং চিংনবনা লাঙ্গোই চল্লকপংম তে রম্মী। খুনগী মীনা চংবীদ্রবা অমনবা পামলৌহুদা করম্বা লৈদ্রে ওঝা কোরিবসিবু! খুলগী মহুদা ওঝা কোবা য়াব মীশক্তি ঐহাক নহুনা কনাম্বু লৈতে, লাইনা কোবা হায়বহু ওইরিগদ্রনে ঐ লৈফম থলক্তে অকিবনা ঐবু লৈতাবা ঙমহনদ্রে।

চিংনবন হেল্লক্তুনা কীনা কীনা নিংদোল পিং-পিং চোং খুল্লাকপগী য়ুম তান্না চৎলে শুমাং য়োবদা হুই মযান্না লাক্কদবগুম গৌ-গৌ খোংলকই মাঙ্গোল হেক কাখংপগা ঐগী চিনবানসিদগী—

"ইপা! ইপা॥"

"কনানো"

"ঐনে, ওঝানে"

থোং হাংদোকলগা খুল্লাকপত্তনা—

"ওঝা করিগীনো থেংলবা অহিংসিদা"

"ঐ ইপাদা ঝা অমত্তং হংগে হায়ত্তুনা লাকপনি"

অত্তুদি ফমসে ইমুংদা"—

"ইপা ফমদ্রবস্থ য়ানি, য়েংউ অসোম থংবা চীংমাই নখোয়গী পুন্না চংবীদ্রবা পামলৌ অমনবা অসোমদা মুপীগী খোঞ্জেন্না "ওঝা" কৌরিবসিবু কনানো ?"

ঐগী ঝাহৈত্তু হেক লোইরক্পদা খুল্লাকপত্তু ইশি শিনা নোক্লম্মী, মানা অম্বন্না নোকপত্তু উবদা ঐগী থম্মোয়সি অমুক্কা হেন্না চিংনরম্মী—

"কৈদোরে ইপা" চিংনবনা থল্লবা ঐগী ঝাহংনি।

"ঐগী মবুকশে নোক্রীংবনে, নংদি থডঙোই ওঝা পামলৌ অমনবত্তুদা ওঝা কৌরিবা গুপীদো লৈশানে ফজথ্রবা, শিথ্রে কুইরে; লাই ওইথ্রবা মহাক্কী থরাইদো অত্তনা কোইচং চংত্তুনা লৈবনে।" অম্মুক কুইবসে মহাক্কী খোনজেল তাখিদবা কুইরবনি অত্তু ওঝা নং লাকপাসিদা মহাক্না ওঝাবু হংগদবগী মহাক থোনরবনি।"

ঐ অমক্কা হেন্না চকথ্রে, খুল্লাকপগী ঝাহৈত্তনা ঐবু অঙক-পগী ইবোন্নুংদা লুপথহনবগুম তৌরম্মা— "ইপা অত্তুক ফজবা লৈশাত্তুদি কেদৌবদা শিথিবা অত্তুগা কনানো মহাক্কী ওঝা হাযবনা" খুল্লাকপত্তু ঙাইহাক তুম্মান লৈ:। ঐবু মানা কবি থুমলক্কদগে ঙাইত্তুনা লৈরে।

"লাও ওঝা ইমুংদ ফমসে"

খুল্লাকপতু ইমুংদা চংখ্রে, ঐসু মহাক্কী পাওখুম তানিংমনবদগী মাগী মতুং ইন্নরে, উক্রোং ময়াম ওমশিন্দুনা চাক্লীবা মৈতুগী মনাক্তা খুল্লাকপতু ফমথখরে, ঐগীসু ফম্নবা ফাল অমা পিরে, ঐসু ফান্দুদা ফমথরগা ইংলবা খুৎ-শাক্ত য়াইতুনা খুল্লাকপতুনা করি হায়রক্কদগে হায়বতুতা ঙাইতুনা লৈরে ।

ঙাইহাক লৈরগা খুল্লাকপতুনা তপ্না তপ্না হায়রকই—

"লৈশাক্তগী মমিং কদিরিযাংনিউ কৌবনে, ঐগী মুংশিথ্রবা মরুপ অমগী মচানে………" খুল্লাকপতু ঙাইহাক তুম্মীন লৈখ্রে মথা চিকখ্রে, মাগী মাইথোংতুনা ঐঙোন্দা তাকলকই, মহাক য়াম্না শাওরে ।

"ওঝা তোকশিদা মসিগী বারিশি, মসি হেক নিংশিংবদা ঐগী মবুকশে শাওনিংবনা লৈবা ঙমদবনে।"

খুল্লাকপগী মতৌতুনা ঐবু হেন্না ঙাইঙমদবা তানিংবগী লমদমদা নকশিনহনখি—

"ইপা নহাক্কী বারিদো ঐহাক যাম্না তানিংলে শাওরুবনু ; হৌখ্রবা পৌদোক্কাদমক্তা অমুম খন্দুনা লৈবা হায়বশে অফবা নংতে, লিরো নহাক্কী বারিদো ।"

"ওঝা যাম্না শাংবা বাবিনি, অতুবু নহাক্কা তানিংঙবদি মতেক মতেক খরা লিগেকো"—

ঐহাক মাগী বারি তাগদবগী শেম শাতুনা লৈরে খুল্লাকপতু ঙাইহাক মরু লুকথতুনা বাখল খল্লুরবা তুংদা—

তপ্না তপ্না বারি লিবা হৌরকই—

"খোংথাং অনি"

"ওল্লাংথাগী" নোংমগী হুংথিল অমা, হুংশা অমুক্কী মতিক য়াক্লা শাই, জিব পুম্বা শারবা হুংথিলদু লেপ্পনবা হোৎনবদা অরাবা অমা ওইরমী।

শারবা হুংশা মরকশিদা নম্বো মচা অমথক পাইরদুনা চহি নৌরিবা পাখঙ অমা মথাল খুমলগী ঙমলবা খোঙ লম্বীদুদা কাখৎলক্লম্মী। চহি কুইরবা বাংলবা উশিংনা লোন-লোন্দুনা হোরবা চীংমাইদু হুমিৎচুপ্পা হুংশাগী মঙাল ফংদবা মফমসু য়াওরম্মী। উরক্তুদা পিক্লবা খোঙলম্বী অমথক্তুং তারম্মী, নাক যেং অশোংবা মোংশোং ঙাক্তনি। বাংলবা উশিংদুদা যেৎলিবা অনগা অমগা শম্লরবা উরিশিংদুদা চাওর চাওরবা য়োংমুশিংনা য়ান্দুনা শানবম্মী মী মখোন হেক তাবদা অমদগী অমদা ফন, ফন চোংদুনা হেক্তা মাংখি। শোংলবা ঙমলবা, শা কৈনা পিক থন্না লৈরমগদব চীংজাওদুদা তারিবা পিকপ্রবা মী অনিশুনা থৈনবা চন্দ্রবা খোঙ লম্বীদুনা মথং ভবক তবক চৎপদু নহা ওইরিবা পাখঙদুগী পুক্নিংদা অকিবা পোক্তবদি নত্তে, অদুবু অনৌবা আশা অমগা লোইননা ঙালবা খোঙ লম্বীদুদা অমুক্কা মতিক থুংলৈ থুনা চংলম্মী, চাংদা হৈ-শিংলবা চীংমী ফাওবনা মহাক্কী মতুংইনবা ঙমগনি থাদে।

অথাপ্পা চীংমাইগী পামপোশিংদ চীংমী লৈশা পাখঙশিংনা হুংশিরবা খোঙ্জেলনা লোইননা পাম, য়াল্লীবদু উরগা পাখঙদুগী পুক্নিংদা থম্লা —

শারবা নুংশা মৈরি মবকশিদা চীংমীশিংশে কযাদা হোৎনবা কনগ্রবনো, ঐমু মথোয়গী মরকশিদা পুন্সীচুপ্পা লেনবা ফংজরবদি কয়াদা লাইবক ফগবা !!

বাখল থগ্না-থগ্না খোংথাং লেপতনা চংশিনখিবনা উজাও পরেং-পরেং হৌবা মফমদু তুংওইনহৌবে, তুমনো ঙাক্তনা লেপ থুম্না হৌরবা লম্পাক অমা ফাওতুনা চৎলম্মী অথাপ্পদগী মীনা য়েংলকপদা মী চৎলি হায়বা মশক ফাওবা উবা মফম নত্তে। থরা চৎলগা লম্বী অহুম ফাংদোকখ্রে অমনা ঙমলব চীং নাপোমলোমদা হাযগৎখ্রি ; অনি অমনা নাকলদা হাইতুনা চৎখ্রি, পাখঙদু জ্ঞান ঙাওরে, হংগদবমু জীব অমতা উবা ফ লমদে নম্বোদু নুঙপাক অনদা থমলগা শ্বর মপি অমতং শাংনা হোন্দোকলগা ফমথরম্মী। চীংশাংদু লাকপগী থরগা চোকথবনে নম্বোহ্‌দা ঙাথরগা ঙাইহাক উইরুরমান্নে।

মহাক্না মী° তেক পাংলকপদা সমদা শিং পিক থগ্না হাপ্লগা পুন্ক !! নশা পাম্বা তমাংনা চোংলবা মশক মতৌ চংখোল্লবী চীংমী নুজা অমনা মাবু মগ্না হেংতুনা লৈবমলে।

মথোয় অনিমক ইঙক ঙক্না ঙাইহাক যেংনরম্মী, চীংমী নুজাতুগী চিনবান্দ নোকমী নোবমী তৌরম্মী,—

"কনা থুলনো··· ···· ···· ?"

মবোল খোইবি খোইবি ঙাংলকপা চীংমী নুজাতগী চমলবা বাহংনি, মহাক্না বাহংতুনা পাখঙতুগী পুক্নীংবু কদাই ফাওবা পেনহনগ্রবগে হায়বদো পৃথিবীগী জীব অমতনা থংগদবা বাফম নত্তে।

"ইচল ৱা অনভা তংগেনা ?"

"করি ৱা হায়গেনা ....?"

"নং মখাল থমলগী লৈশাবা ?"

"মানবে, নংদি বন. থগো ?"

"ঐদি অ হেম্নাক লমদগী লাকপনে নখোয়গী খুলগী ওনা অমা লোৎপনি হায়বরা ?"

লৈশাংদুগা চিনবাংদু লোকমা নোকনা তৌরম্মী পাখংবদুদা মীৎ কয় হনা য়েংলগা—

"উম হায়বনে, নং ওইগেরা.......?"

"অইগে হায়দনা লাকইবনে য়াগদরা ইচল ?"

"ঐ হায়বীগা লোয়া মতুং ওগো।"

লৈশাবু চেমলবা চাং নাপোমগা লখীবুদা চংপা হৌখে, পাখংবদুসু নম্নোক মনঙলদা পাঙংলগা লৈশাবুগী মতুং ইন্নখরে।

* * * * * * * *

মখাল খুমনা খুন্দু হেক লোবদা মীনো পাখং অমা খুনগী লৈশা অমগা লাকমীন্নবত্র য়েংনরগা করি করিনো মরোল লোন্নবগা খুনগী অত্তাংশিংনা ৱাংবা নোৱম্মী।

খুনগী মতাই ওইরপা লৈবা পিকতকপ উপাক্লা থাবা উপান্না ফম্নাক হাবা মম অমগী মাঙোলদ পুম্নাকপা শাঙত্ত থারগা পাখংবদুন ফমনবা হায়রম্লগা লৈশাবু নত্তোঙ্গা মে অমদা লাকে।

পাখংবদুনা নখোত উপাকা মাঙোলদা যম্মগা ফমথগে হেক তৌবদা তুংলোনদগা

"ইচা নুপা কনা থিবগে ?"

পাখঙবু থংবোই কবিবোই ঙেক যেংখৎথিবদা মহাক্কী মীৎ-মাংদ উবে, মশা নোই পেংবা মীয়াই চল্লবা অহল অমা মথুংতা থাংজো অমা পাইহনা মাবু মুন্না যেংহনা লৈনমলে।

"ইপা ঐ ভস্প্যাক লমদগী লাকপনি, নখোয় থুনগা ওঝা অমা লৌগনি হায়রবু ওইডগে হায়হনা"—

কিবোই কবিবোই হায়দ'কখিবা পাখঙবুগী ৱাহৈনি।

নিপাহু মাঙ্গোল কাখৎলগা ডপাক মথক্তুদা ফমথরগা পাখঙবুদা মুন্না যেংলগা হায়রকই,

"ইচানুপা নংদি কিলাস (ক্লাস) কয়ানো ?"

"ঐ মেট্রিক হায়বদা পাস তৌরে ইপা"

"ওঃ অদুদি যাগনি।"

মতম অদুমক্তদা ঙশাইগী লৈশাং তফিং তফিং চেল্লকই। মপাগা ফমহনা লৈবস্তু উবদা ইঙক ঙৱ্রা,

"আপা, মহাক ঐখোয থুনগা ওঝা ওইবা লাকপনে।"

মপানা নোক্লহনা মচানুপাদা য়েংঙগা—

"নংগদি হায়না মশক থংনবরা ?"

মচানুপা লৈশাহনা করিনো অমা মখোযগী লোন্দ ঙাংডগা নোকই।

মপাহনা নোক্না নোক্না অমুকস্থ করেম্নরকই—

"পাখঙগা লৈশাগদি মশক খঙনবা ৱাদবনে, ইচানুপা ঐ ঈশিংখোংদা চংকে ঙসিদি ঐগী মুমদা ... ... ঐ নংগী লৈনবা শিনবাগে।"

অহলন্থু ঈশিংখোঙলোমদা চৎখ্রে, লৈশাহুগা মখোয় অনিতা ঙাইহৌরে ; ঙাইহাক্তি মফমন্থু ইচিক চিক্লপ্মী, ঙাইহাক লৈরগা লৈশাহুনা নোকমী নোকমী হায়রকই—

"ঐনা খুল্লাকপদা হংবীবা চৎপনে, অদু মাদি খুল্লানবা চৎখ্রে মা লৈত্রবস্থু ঐগী অপানা য়াবীরবদি য়াগনি ; ঙসিদি ঐখোয়গীদ তুমমো ঐ নংগী তুমফম শেম্বীগে," লৈশাহুনা পাখঙহুগী নম্বোহু পুরগা ইমুং চংখ্রে। পাখঙহু মথন্তা ঙাইহৌরবহুদা মপুক্লাংদা খল্লকই, "কয়াদা চমথ্রবা চীংমাগী পুন্সীনো, ঙসিতা থেংনবা, ঙসিতা খংনবা ঐবু মখোয়না মখোয়গী মহৌশাগী মরুপকুম কয়া লুনা তৌবীরাবা !"

"ওঝা ইমুংদা চংশে।"

ইহাল হানবা ওইনা মশক ফজরবা লৈশাহুনা ওঝা কোংবকপহুদা পাখঙহুগী থম্মোইদা হরাও হুংঙাইবগা মশিং থিঙমদ্রবা ঈথক কয়া হৌরকপগুম তৌরম্মা থোইদোপা পাঙথুম পিরুবা ত্বাদনা লৈশাহুগী মতুং ইগ্রহুনা ইমুংদা চংলে।

ওঝা নংদি লম্বী শাংনা লাকপাননা রারমগনি ফমুংদা পোথাগেরা ?"

ঙসাইমথৈ কাওরুরবা অৱাবশিংদু লুপীদুনা হেক হৌদোরকপদুদ খংরা রারকপা, মশাদু খংচোক চোকথরকপগুম তৌরম্মী।

"উম, ইচল ঐ ঙাইহাক্তা হিপকে"

মনিং থংবদা কা মচা ওইনা তৌবা অমদা মহাক্কী ফমুং শেম্বীরনলে মঙ্গুনরবা হাওফি অমা থারদুনা মহাক্কী তুম্মনবদু

ফনা ফজনা শেম্বীরম্মী। পাখঙহৃনা তুমথগে হেক তৌবদা লৈশাহু চংঙকলগা "ওঝা, নংগী চাক্তি করম ঙৌবা, ঐখোয় চীংমীগী চাক্তি নখোয় মীঙৈনা য়াম্না তুক্কচবনে, নং থোংগদ্রা "

মশক মতৌ ফজরবা লৈশাহুনা ঙাংথোরকইবা মাহৈহু তারগা পাখঙহুগী পুক্নীংদা থল্লকই, "অম্মুক ফজবা মানা থোংবন্নু ঐনা করি গী হঙ্গোইগদৌরিব।"—

"ইচল নংনা থোংবা চাক্তো ঐ চাবা য়ারোই হায়বগী মারা"

"নংনা তুক্কচগদ্রা হায়বনি ওঝা।"

"অত্তুক ফজবা নংনা থোংবা চাক চাবা ফংজরবদি মরাইবক য়াম্না ফরবনে।"

"মীনম্বা ঙাংগনু ওঝা।"

চাক্রীবা পোদোলগী মৈরি মঙান্দুদা হান্ননা তঙাং তঙাংলবা লৈশাহুগী মাইথোংহু হেন্না ঙাংশিনবগুম উরম্মী, "মীনম্বা নংছে, লৈশা, তুক্কচবা হঙ্গোইবা হায়বশে ঐগী ইফমদদি চপ মান্নে, নংমু মী ঐমু মী খেংনরীবা হায়ববু ঐনা মীতৈ নংনা চীংমী শিখক্ত নদ্র" ?

"ওঝা নং ঐনা থোংবা চাক চাগনিকো ?"

"ঐ শোদনমক চাগনি।"

লৈশাহুগী মাইথোংহু হরাওবনা পিক থনবগুম তৌরম্মী, য়াম্ন হরাওনা চাক থোংবা চংগ্রে হুমিং থুদিংগীদগী হেন্না হাওন্নবা হৈজবা মথৈ হোংন্দুনা থোংব চাক্তু চানানবা পাখঙহু হিপনা হিপনা চাক ঙাইহুনা লৈগ্রে।

* * * * * * * *

"খোংথাং অহুম"

নোংঙাল্লগা খুল তিন্নত্তনা, অনৌবা ওঝা থম্নবগী বা খন্নবা লোইত্রে, ওঝাগী লৈফম তোঙান্না শাদ্রিদৈদা মতম খরগী ওইনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা লৈশাত্তুগা মুনদা লৈননবা হায়নবে। লৈশাত্তুগী মপাত্তু খুলত্তুগী মচিন চংপা মীওইনি অমরোমদা খুল্লাকপত্তগীস্থ চান্নবা মকুপনি।

হুমিৎতুগী মুংথিলদা লোইশিনফাংত্রিবা স্কুলত্তু খুলত্তুগী লৈশা পাংশিংনা বাই তৈজিনবা শেমশিনবা লোইত্রে;

হুমিদাংবাইরম লৈশা শঙ্গ শঙ্গু অনৌবা ওঝাত্তু যেংন্দরগী লাক্লবম্মী, এল, পি, স্কুল ওইবরস্থ মপুং ফাববা লৈশাবী পাখঙ অহল ফাওবা তমগদৌবরিবনি।

মথং হুমিৎতগী লাইরিক তম্বা হৌরগনি, খুঙংত্তু হরাও মথোই কাবগুম তৌরম্মী—

চহি নৌরিবা পাখঙত্তস্থ অনৌবা আশাগা লোইননা মথং অযুক্কুগী লাইরিক তম্বা হৌননবা থৌরাং তৌজনা লৈত্রে।

"মথং হুমিৎকী মুংথিলনি।"

পাখঙত্ত মুলদা হন্নকলগা চাক চাববা মতুংদা ঙাইহাক্তং পোথাগে থন্দুনা মাগী ফমুংদা হিপ্নুনা লৈ। মাঙোলদা লৈশাত্তু ফি শারি, মমান্নবা ময়ান্না পামলোদা চংলুশি হৌবা লাকপদা মাদি চংলরোই হায়বে, ময়াম্না লক্রম্মী—"মীনৌ পাখঙ অমা নযুমদা লৈরে কদাই চংনিংঙনি" লৈশাত্তু নোক্তুনা লৈহৌই।

পুন্দগী মী পুন্নমক মাগী মাগী মথৌ চংনখিবনা শারবা হুংথিলদু ইচিক চিকখিবগুম তৌবম্মী। লৈশাহ্ন ফি শানা শান্না মমিংতু নিংলোমা। কোন্‌-চপ কোইকপ নেংই, মপুক্রীংদা কবি করিনো থবা থনবগুম তৌনম্মী, মাইথোংস্তু অস্থক্কী মতিক মকা লামলম্মী।

ইন্‌দা পাখংবা তুমথবা যাদবনা ফমুং মথক্তু মদা থরো থবো ওন্দুনা শাববা হুংশাহ থাংলম্মী মহাক্কী বাখলদা চয়েৎনববা লৈজিল থিবা ফংদ্রবা বাখল থরনা চংগুম্না মহাক্কী থোপ মনংদা তকনা উবা তৌনকম্মী। পল্লেপফম খঙদতনা হৌগংলগা মগাল থোনক্লে মাঙ্গোলদগী হেক নুমথবদা লৈশাহনা—

“ভক্কা কুংশা মবগা কদাই চংকেরা”

নোকমা নোকনা হংলকপা লৈশাহ্নগী বাহংনি, পাখঙবু থোঙথাং লেপ্পী মমিংনা লৈশাহ্নদা হাইফেংতং য়েংঙগা—

“কোইবা”—

“কমা কোইগেরা”

পাখঙবু মথোন থোকপা মীনোক অমা নোক্নমলগা চংখবে, লৈশাহ্নদি ফি শাবকা লেপতুনা পাখঙবনা চংখিবা মাংকৈদা মীৎ য়েংনা যেংদনা লৈহৌরে।

খুন্দগী মথা পাংনা থনদং চংলগা ইম্ফাল সহর মপুং ফানা উবা ফংবা চীংদোং অমথক লৈ মফমদ হেন্না বাংখংখিবনা অইংবা নুংশিংস্থ ফংলম্মী। পিক্তক পিক্কপা উচান পাম্বী মঙা-তরুকস্থ চীংদোংদুদা হৌবম্মা। উচানপাম্বা অমগী মখোদা ফল্লগা থাপলবা ইম্ফাল সহবগী মশেন মরাংবা লৈরিশিং মিংকুপ্পুনা

য়েংলগা মাগী মিৎলুদা পিগী মরিক অমা অনিদা তপ্না তপ্না শিন্থরক্রম্মী। অদুগা লোইননা মাগী রাখলদি হৌগ্রবা পুন্সিগী লমদাং অমদা তপ্না তপ্না য়ৌখিরম্মী—ইম্ফাল সহরদগী পংলাপ লাপতবা উরিপোক কাংচুপ রোডতা লৈবা লৈকাই অমদা য়ান্না লাইররবা লুখ্রাবী অমা লৈরম্মী মথক্তা পনখ্রিবা পাখঙ্গতু লুখ্রাবীডুগী অমতা ঙাইরবা মচানিপানি।

লম্ফেলদা হাজির শুবা চংলগা ফংলকপা পৈশাতুনা মচানিপাবু মহৈ মশিং তমহনবা অমস্নুং মমান্নবগা মীমান্নবা ফিজেৎ লৈত্তেং হোৎনবদা কোন্নদতুনা লুখ্রাবীথ অস্নুক্কী মতিক রাজরম্মী। অদুবু মচাগীদমক্তা হোৎনবা ঙম্বা শক্তিতুগী রাংমদা হোৎন্দুনা মচাবু মীমান্নবা অমস্নুং মনিং থুংনবা হোৎনরম্মী।

মেত্রিক পরিক্ষা হায়দোকপা থুমিৎনি, লুখ্রাবী মচা কমদোবক্কদগে হায়বা রাখলনা অস্নুক্কী মতিক রাজরম্মী, অদুবু ঈশ্বর লৈতবদি নৎতে লুখ্রাবীনা হোৎজবতু লেম্না মাংবা য়াদে মতাগুম লুখ্রাবী মচা পাখঙতু সেকেণ্ড ডিভিজন্দা পাস তোরে হরাও লুংঙাইরবা পাওতু পাখঙদুনা থুংথিল পুং অমগী অদুরাইদা মমাগী মফমদা তমলরে। অমস্নুং মমাদা লুপা মঙাখক্তা পিয়ু হায়রম্মী হরাওবদা মপা লৈত্রবী লুখ্রাবীদুনা "পিদনকো ইচাগীবু" হায়রগা থংনবা য়ুমদগী হোবে হোবে চৎতুনা লুপা কুন পুরুরে অদুগা মচাগী মমাংদা লেপ্লদুনা পৈশাদু পিরগা হায়রকই—

"সে নমান্নবশিংগা চামিন থকমীনরুরো অদুগা লেম্মবদিনে ছুরেন থুমিদাং ইমা ইচাগী এঙ্গাং হাওমনবা ঙা অমতংদি লৈরকউ

অচৌবা লৈরক্কসুকো মচাপিশক" পাখণ্ডহু বাজারলোমদা চৎখ্রে লুনা ভিন্নবা মরুপ অমা থেংনদুনা সেনেমা য়েংউসি হায়দুনা হোললোমদা চৎমিন্নরে মেট্রিক পরিক্ষা হায়দোকপগী হোল খুদিং হাউসফুল ওইরমলে, মীনা য়েংবিদ্রবা প্রতাপ টকিজগী অনারি' হায়বা রাজকাপুর অমসুং নুনতনগা অনিগী থাইনগী ফিলম মচু শংদবা অমনবদু যেংগসি হায়দুনা রিয়ারগী টিকেট অনি লৌরগা চঃমিন্নখ্রে।

সেনেমা লোইরগা থোরকপদা নোং কন্না চুদুনা লৈরম্বদগী চৎপা য়াথ্রে নোংজুদু অসুক্কী মতিক কন্না চুরম্মী, সহরগী লম্বী পুন্নমক মীলৈত্রবা লমদমগী লম্বীগুম ইহাং হাংলম্মী। মী হাংলবা লম্বীদা জিপ-কারসিংনা মনিং তম্না কন্না কন্না থোরম্মী, নুমিৎ তাখ্রে মমশিনখ্রে মতম অদু ফাওবা নোং নাংদরে।

পুং অনিরোম লেপ্পুনা চুরবা মতুংদা নুমিদাংগী পুং তরেৎ থর হেল্লকপগী অদু মাংদা কল্লবা নোংজুদু থরা পাথখ্রে, নোং থবা হাংখিবদুদা সহরগী লম্বীদু মীনা চীক্ক-চাইনবা থমখিদরে, মখোয় অনিহু প্রতাপ টকিজদগী থোকমিন্নরক্লগা শামু মখোংগী অহুদা কাইনরে অমনা সগোলবন্দ লম্বীরোমদা থুনা চৎখরে, অতোপ্পা পাথগুদুদি গসাই মমানা ভা লৈরকউ হায়বদু থগনিং নিংশি লক্কুনা ভায়োনফমলোমদা চংখরে, য়াম্না থুনা ভা মচা অমা লৈরগা উরিপোক্কী সোরেক্তা মযুম য়োনবা পরপ-পরপ চৎখ্রে।

ইবে'তোনম্বা সেকেন্দরি স্কুলদগী থরদং হায়থরগা অমম্বা লৈরক অনদা হায়জিনথরে, মতমহু ভাইহাক হাংউরবা নোংজুহু

অদুক তমি-তম্পি চংবা হৌরকই, মাগী মযুম থংনা লৈরবা পুং চেনশিংকই, মাংনা চন হৈজদাইদা থঙ্ক অম পাল ম য়া ফিংনা চেংকপা হোংলে, মহাক্না হেংগাইনবা তা, অমমংবা কনা কনানো মশাক খঙ্বদি শগৈদনব, যাম্না পুনা মম থবং থবেং হোন্দুং শাবোবংনাংনদা চংই, লৌম ভানক নদা চংনা হোং নিংছন পাখংতম্ব যুমলোমদা থংনা লৌমক মচাগ যাম্না হেক যৌবদা খোবাল মযাদা না অনাইরক্না ভোনা হিপ্পুনা লৈবা উবে, চিংনতুনা চপ লেপ্পী।

"কনানো"?

যাম্না তম্না নতেক মতেক ওইবা হুইনা যাম্না হায়রকই।

"ঐনু অমুতা কনবনু ঐহাক উপেন্দ্রনি।

উপেন্দ্র হেক পহাক দা পাখংত অমম লৌমদা, মতাম্না চাংবা মকপা মখাইদা লৈকাদা মাংক মমি চংলিবা কোইজম হন্দাসকী অমতা ভাইবব নংমী।

যাম্না থনা মনাওবা চংশিল্লি. মশা পায়রবা "উপেন্দ্র নহাক বৈদোবে ঐ কমানবনি'।

হিপলিবদ কপলবলে যাম্না হুনা হায়রকই—'পাপ! মশাক খঙদবা খরনা ঐংনা পুকশিন থাংনা পিম্নলে নংপাসি অমুক্তা শংলু অড়ণা পাবং বৌবনু'।

অফিং অফাই ওনা থাংহু হেক শংলুবদা চেংবা মথ হাবম্বা অহুদগী শরুক চানা হেনগংক কনে,

[illegible] থৈদোক পিনখ্রে [illegible] মেল [illegible] [illegible] ক্রুগা [illegible] মকাংদুনা [illegible] কাংলে, মখোয়না [illegible]—

“[illegible]র! পানং কমত্রা কে[illegible]রগো”।

[illegible] চেৎপিজনা পাওগ [illegible], মতমতু [illegible] [illegible] তা [illegible] [illegible] খাওমৈগা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]কস্থ পাড়াদা হোসপিতাল [illegible] মথং তানরক্লুনা লৈকাইত্ত্ব [illegible]।

[illegible]! উপেন্দ্রদি ডাক্তরশিংনা কনবা ঙম্বা শক্তি অদুগী বা[illegible] লৈ[illegible]মল্লে। [illegible] ইনাক-কৈরাক থুম্লবা ধর্মদাসকী মপু[illegible] [illegible]নবা অহিংদুগা অশিবনু মাইথিবা পিবা ঙম্নবা [illegible]।

ধর্মদাস [illegible] মাইকৈশিদা অঙাংদগী অহলফাওবনা মহাকপু [illegible] [illegible] [illegible]লরমলোই; মণিপুরগী অফাও অফাওবা [illegible], [illegible]-[illegible]দা ফাওবনা মহাকপু ইকাই খুম্নদবা যাওদে; কাবগুম্বা [illegible] মশক নাইবা থৌদোক অমা থোকপদা মহাকপু চিংখবা [illegible]। মপানা অমুক্তা মতিক সঙ্গ লৈবতুনা উপেন্দ্র [illegible] থবা কাই, তৌবনু মী ফুকবা লুপী চিংউবা অতৈ অকনবা [illegible] [illegible] মহাকপু ফারবখু লোক-অপতা অহিং অমা যা[illegible]বা [illegible] মীশক নত্তে। অদুগা শোক ১৯৭৪ গী মে তাং [illegible]দা ইম্ফালগী মশক নাইবা হোটেল অমদা মরাল

শুকলৈ লৈতবা অঙাং অমা বেনেটনা খিন্দুনা হাংখিবা অহুগী কেশকী মরিদদি জেলদা থা অনিরোম লৈরুই। অহুবু জেলদা মযুমদগীস্মু হেন্না নুংঙাইনা থম্মী হাই। মপাবু'না নুমিৎ থুদি'গী মতাক্না চানিং চানি'বা চাক এঙ্গাং মযুমদগী থিল্লী সেনেমা, ড্রামা অতৈ কুম্মৈ য়েংনিংঙবস্মু জেল মন্নুংদা পুশিল্লগা মচাগীদমক্ত থওইনা তৌহল্লী। মপানা মচাবু নাপল অহুক্কী মতিক কাহন-খিবহুনা মচাগী পুন্সী তেন্নবগী মরম ওইখি। লৈকাইগী অহল্লোল নহারোল পুম্নমক্না মনাংদদি হরাও হরাও কৌনরবস্মু মমাই হেক লৈথোকখিবদা থুতুম শিংনরিবা ঙাক্তনি। করিগুম্বা কুম্মৈ ফিয়োং অমা তৌবদা হিদাক তপত্তাবমথৈ থকচিল্লগা মাগী রিভোলভরহু রাউণ্ড অমা অনি ফ্রিদা কাপথোক্তুনা মাবু ংকিহল্লী। কনানস্মু মাবু থিংবাবা ঙমদে পুলিস লাক্লবস্মু থোঙ্গাল ফাওবা পুরুরগা হেক্তা থাদোকলম্মী।

মাগী অসিগুম্বা লমচৎ কযাসিনা মাবু নুংঙাইতবা মী মশিং য়াম্মী। মীগী নুপী অঙাংদা শেরাল তুরাল ঙাংবা, নুপা নহা চৎথোকখ্রিডৈদা মীগী নুপী অঙাংদা শেরাল তুরাল তৌবা হায়বসে মাগী থাইদগী হৈনরবা লমচৎনি। নুপী অঙাংগী কা হায়বসে শোক্লক্লবদি, শোল্লবা কুম লাইনা ফাওবা নো'শাগুম থোই হায়নরিবনি।

মমাংডৈ নিংথৌরেলগী বারি কয়াদম্ব নুপী অঙা গী বাহৌদগী লৈবাক কাইনবগী মরম ওইবা লাল কয়া থোবথিবগী বারি

মশিং খঙদনা লৈ, অহল-লম্মলনা হায়বৈ, পুন্সি তেনগে হায়রবদি মীগী মুপী অথাংগী মকাদা য়েৎলু, বাফমশিমক ধর্ম্মদাশকী মচা উপেন্দ্রদস্থ থোকখ্রে।

অহিং চুপ্পা হিদাক কাপ্পগা খোংপগা মনিপুরগী অফাওবা ডাক্তর কযানা ঙমজবা মথৈ হোংনবতুগী মপান্না উপেন্দ্রগী থবাইতু মাগী হকচাং পোলাংতুবু থাদোক্তুনা চৎপা ঙমদতুনা ওন্থোক্লা বানা খাংলম্মী।

"নোংঙানগদোরে" অথাপ্পা গোবীন্দগী মন্দীরদগী য়ৈরকপা মঙ্গল আর্তিগী কাংশি মখোল মুংশিংনা পুরক্তুনা তপনা তপনা তারকই মী অয়াম্বা অহিং তুম্নরক্তবগী মচি মচিদা উতুপ তাবগুম লৈনখ্রে, ধর্ম্মদাশ মচাগী মনাক্তা তুম্মান্না ফমতুনা লৈ মতম অসিদা উপেন্দ্র মনিং তপনা পাংথোরকই অথাপ্পদগী য়ৈরকপা কাংশি মখোংদু তারগা মাগী মিৎলুদগী পিগী লিক্লা অম-অনিদং চেন্থবকই। গোবিন্দনা মাবু চানবীরবরা! ঈশ্বরদি পাপীশিংবু লানবীনবা মতম খুদিংদা থোরাং তোঙ্না লৈ। য়াম্না তপ্পা কোরকই—
"পাবুং"

ধর্ম্মদাস হরাওবনা লুতোন শাংখ্রে, মচাগী মিৎতগী চেন্থবক্লীবা পিতু তৈথোকপিরগা মোমোল নোক্লতুনা "ইপাগী উপেন্দ্র! হায়যু ইচা থরা ফরবরা" মখা তানা বা ঙাংঙক্তরে মপাবুংবু নুন্না য়েংই, ঙাইহাক লৈরগা তপ্পা হায়বকং—

"হাবুং ! ঐ—চংগ্র—গা মরুপ কুমা—র—বু—"

বা ভাংবা ওম্বগী শক্তি মাংগী মনিংতা পিংরাং চেক্তবকই মপুক্কীংদদি খল্লী "ঐ শিংগা মরুপ কুমারবু ঐমক্কা খম্না কোনবাগু" অড়বু চাংখোক যাদি ওনবে [illegible] লমদাইগী থাওইনা অনুকুং খংঙ্কাল ও লকপগুম্না অং কং [illegible] মতাংদা থরাইড় কান্নহবা তকচাং পোলাংতু থাদোক্লম্না চং। মচানা সংনারদগী বাদাই লোয়নবদা ধর্ম্মদাশ অহাওবগা চপ মান্নহবে।

মণিপুরগা অথন্নববা পোলিস ওফিসার কযা কয ধর্ম্মদাশকা যুনদা লাক্লুনা অরাবা ফোংদোকই। অমবোমদা মাহাক্পা ফংনববা থিবগী থবকপু লেপলমদে, লুমিং কয়া থা কয়া তোক্লে, মীচাংপা ফাবা ওমদবে। [illegible] থোদোক্লুনা ইতাল হান্না খড়ওকইবা অমমু [illegible]

[illegible]

I.P.C. 302 গা [illegible]

কুমার [illegible] হান্নবা ভাবদগী [illegible] লুমিনা [illegible]

অথান্না হাওবুল অমদ [illegible] মমাংদ [illegible]

হা [illegible] চংখবদনা [illegible]

লুমিং তারফাওবা ভাতহনা লেপে, খজিক খজিক মনশিল্পকগী অড়বাংদা অহল ওইশিংগুব্বা মমাড় মযোম মচা অমা পাংহনা থোঙ্গলদা চলকপা উবে, তঞ্জ হনক্কুদা পোলিস পিবগম্না তোংবা জিপ অমা কনা থোরগা মখোয়গা

থোঙ্গালদা থংখাম খামলরে কুমার অমুক পন্থবা তৌদনা উসাইমখৈ মানা য়োমশিনহনা থমলবা মহাক্না মফি-মরোল থরহ্নু পুরগা মনিং-থোংলোমদা ফাওদোক্তুনা থুনা চেনগ্রগা লময়েল পাং ফাওদোক্তুনা লাঙ্গোল চীং তম্না চেনশিনখ্রে।

মথং মথং চেল্লকতুনা মখাল খুমল খুলাদা ওঝা অমা লৌগনি হায়বা তাবদগী তানচারুহনা মফম অসি য়োরকপনি।

হৌখ্রবা পুন্সিগী হার্রাশিংহু হজিক্তা থোকখিবগুম পাখংহু মশা পুম্না থক থক নিকখ্রে শোল্লবা মমাবু ওৎপিরমগদবা পুন্নমকতু থল্লুরগা মাগী থম্মোয়হু ত্রজা লিশিং কোতিনা থাবগুম বাখ্রে।

"ওঝা"

মীংলুদগী চেনরকউনা পিরাংশিংক্ত হেনোকপা লা..রিশিদা তুংলোনদগা তপনা কোনকনা খোঙজি ওক হেথোক-খিবদা উচান পাম্বী অমদা পাইদুনা লেশাং মায়ু য়োইদুনা লৈরমলে।

"ওনা নংগী নিংতগী পি তারিবা করিনোনো?"

পাখংহু মোমোল নোক্রে মহাক্না নীনোক্তু, মহাক্না অদোন-শিংহু লোংশিনখিবা হুমনবা শেন শাহনা নোক্নাদনা নোক্নকপা নিনোক্নী—

"য়েংউ থাপা মশেল-মরাং উরিবা মণি নুক্তাগুম তনিক তনিকলীবা ইম্ফাল সহরগী ফুরা দলালশিংসে থুংশিজ্রা, অহুগা নকনবা চীংমাইশিংদা শারবা থুংশা নৈরি মরক্তা পান য়াল্লীবা

খুনগী পাখঙ লৈশাশিং কয়া ফজত্রবা পুন্নমকশি উরগা করিগীনো হায়বা খঙ্গদ্রবস্থ ঐগী মাংশিদগী পি শিন্থরকই" লৈশাহু নোকমি নোকমি পাখঙদ্‌না ঙাংলিবা রাশিংদ্‌, তুম্মীন্না তারম্বদগী খোঞ্জেল থোকনা থিক থিক নোকথোরক্লে—

পাখঙদ্‌না ইঙক ঙকনা হংলকই—

"করিগী নোকপনো"

নোকপা খাংনা খাংনা লৈশাদ্‌না খুমলকই—

"ওঝা নংনা ঙাংবা রাশে তারগা ঐগী মবুকশে হেক্তা নোক্লিং-লকই" খান্বা ঙমদনা অমুকস্থ নোকই।

"অদুদি ঐ রা ঙাংগে নংশুম নোকউকো"

পাখঙদ্‌না নোকমী নোকমী লৈশাদ্‌দা য়েংলগা হায়রকপা রাহৈনি।

লৈশাদ্‌ ঙায়হাক্তি অতোপ্পা রাখল অমা থনবগুম তুম্মীন্না লখ্রে, ঙাইহাক লৈরগা য়াম্না থংনিংনা রাফম অমা হংলকই

"ওঝা তম্পাক লমগা চীংদা লৈবগা কনানা হেন্না নুংঙাইবরা ?

পাখঙহু পাক থুম্বা ঙমদরে তুমীন্না ঙাইহাক লৈরুরগা "ঐদি চীংদা লৈবনা হেন্না নুংঙাই য়েংউ কয়া চিকত্রবা, সহরগী নিল খোংবনা য়োঙমদ্রবা মফমশিদা পুন্সি চুপ্পা লৈজবা ফংলবদি ঐহাক য়াম্না নুংঙাইগনি"

"অদুগনে ওঝা ঐদি নখোয় তমপাক লমশে লৈবা হৈনবো কলেং খাদদি শাখ্রেদা হুংশাদো, অরাংবা চীংথক্তি

অশাবা লংশিং লৈরে, মতম পুম্নমক্তা অইংবা কংশিংনা থজ ছুমত্তনা ইংহল্লী। যেংউ ওলা, উটান পাম্ব শিংনা তা তা হায় হুনশিবশে ফজদা, অতগা ঙ্গা" লৈশাঙ্নু নশা ফাওবা হায ছুমত্তনা তোংলিবা কাবতাগুম হুদ লাইবরা হৈশিংত্তু তানা তানা পাশত্ত লৈশাঙ্গুদা মাং থুত্তনা যেংহনা লৈরে, পাখত্তনা অদুম্না যেংহনা লৈনদনা থুহনা লৈশাঙ্গুনা পাখত্তদা মনিং লাওযোত্তনা যেংলগা হায়রক

"তমা নং এন অঙ্গা তোলিবা কনিগীনো" ?

"ইচল নংগী নশকশে যাম্না ফজ্জ এগী মাংশিনা নংবু অম্মুম যেংহনা লৈনিংই; থংদে কনিগীনো ঈশ্বরনা নংবু অম্মুক যজহল্লিবশে"!

তভাংলবা লৈশাঙ্গগী মাইকোইদা মপুং ফানবা ওবাও নুংঙাইবগী ঈথক অমা হৌরে তপনা শিংলিবা ইংন্দা কুংশিংনা মহাক্কা শেমতনশাজিনবাগবা শমলাংশিংহু মহাক্কা মমাইদা ইচাই চথাহবাবি।

"ওমা এম্মু নমিং চুপ্পা নংবু অম্মুম যেংশিংই নংগী মাদা হকাইবদগী যেংবা ভুমদবা, থংদে কনিগী ওইবন এগী মনিংশিনা নংবু অম্মুম যেংনিংইবশে"

মখোয় অনিমক তুম্মান তুম্মান লৈনখরে, ফল তাবা চনদ্রবা যাম্না বুপথরবা মাখল অমমমদা ঈবাম্নহবগুম উই ভাইহাক লৈরগা লৈশাঙ্গুনা অনুকম্মু হয়া হায়রকই, "ওমা ঐ নভোন্দা বা অমা হংগে খনবনে, অদু নংগী মাং হেক য়োবদা এগী মমাইশে

হেক্রা ইকাইবা, হায়যু নংগী মিং করি কৌবর” ?

“অহুবুরো, শান্তীকুমার”

মথন্তা পুক্নীংদা মওল মওল থল্লকই মহাক্কী মমি.দি কুমার কৌই অহুবু ৎসিদি চীংমা লৈশাসিগী মফমদা মহাক মীনম্বা ঙাংদবদি য়াদে মহাক্কি পোলিসনা কোইথি গিরবা মীশরনি, মহাক্কা অম্নুন্না মওল মওল থল্লীদুনা লৈশাহুনা অমুকন্নু হন্না হায়রকই।

“ওঝা নহাক ঐগী মিংদি খংলবরা” ?

“নংনদি তাকপিদনা কদাই খংনি” ।

লৈশাহুনা থজিক্তং শাওনিংনা হায়রকই—

“অহুদি ঐঙোন্দ করিগী হংদবা” ?

পাথঙগী চিনবান্দ থাম্না ঙমদবা মীনোক অমা পুংলরে নোক্ন নোক্না, হায়রকই—

“সুম কুইনা লৈমীন্নরকপ্রবদি নোংমা শোইদনা খংলক্কনি খন্দুনা হংদবনে, হায়যুনে নহাক্কী মিং করি কৌবগে ? লৈশাহু ঙাইহাক্তি তুম্মীন লৈখ্রে, শান্তীকুমারসু লৈশাহুনু মিৎকুপতনা য়েংহুনা লৈরি, ঙাইহাক লৈরগা লৈশাহুনা তপনা হায়রকই—

“ওঝা ঐগী মিংদি নংনা হায়বসু হৈরোই”

“হৈত্রবসু হায়যুনে ঐ তানিংঙেবা”

“অহুবুরো ওঝা কদিরিয়ানিযু”

শান্তীকুমারনা মথন্তা কদিরিয়াংনিযু’ অম্মুন্না শোল্লুরগা হায়রকই।

"ইচল নংগী নিংশে শাংমল্লে ঐদি অশম্বীদা 'কদি" অস্থুম্না কৌগে শাওনিংবরা" ?

লৈশাহুনা নোকনী নোকমী তোরগা হায়রকই—"অহুদি ওঝা নংগা মিংস্থু শা'মল্লে অশম্বীদা 'ওঝা শান্তা' অস্থুম্না কৌগে"

তাঙ্গাহুদা মশম শাংবা, ফরেপ থাংবা, তবাক পাগবা, চীংমী পাখঙ অমা মখোয়গা নংকা শৃলরে, মখোয়না ঙাংনরিবা থাশিং ঙাংইহাক তাবদা শাওনি বগা মশাত থক থক নিকখ্রে লৈশা পাখঙ অনিগুদি মহাক লাকই হায়বা থঙদে।

চিংবা মফমদা ব্রজদগী হেন্না য়াংবা খোঙ্গেন নমনা পাখঙ লৈশা ভানগী হরাও মিনোত্ত মফা থঙদনা মাংহনখ্রে 'হায় মানৌ পাখঙ! নংনা শুলগা ওঝা ওংবা লাক্লগা শুনগা লৈশাবু অচিকপ্না নোইংগম তোবরা ? চীংমি অপংবনি থনবরা" পাখঙহুদি করিস্থু শুনদবে, ভুমিন্না তিঙক-তিঙক য়েংহুনা লৈরে লৈশাহুদি শাওবনা মশা পুম্বা তনিক তনিকখে। শাওনা ফুক হৌগৎলগা হায়রকই—

"লোংকাকিড নংগী নথৌ য়াওবরা, অস্থুম্না তোরগা নংগী নবুক য়েকপরা" মশম শাংবা পাখঙহ অচাকপা মৈদা খি হৈবগা চপ মাল্লখ্রে মখা মরে' ফৈরেং তুরেং চিংঙনা হায়রকই—

"হায় লমহেনবা লৈশা, নপানা নিংথৌওইবরা নখুলগা পাখঙ লৈতবরা, নংনা করিগী মৈতৈ মানৌ পাম্বরা ?

লৈশাহুস্থু অমুক্কা হেন্না শাওখ্রে থাঙাংবা ফাওবা থোকখিদ্রে।

"এঃ—নথৌ লৈতে ঐগী মবুকপু নংনা খ'বীগেরা অপানা নবু ঐগী ইতু' ইন্নবা নেকপরা লাক্কনো নশক হু'শিদে"

শান্তীকুমারদা ওনশিন্নগা "ওক্না লাও চংশি" হায়রগা শান্তীকুমারগী মথু' পাযবগা চী দো'ক্ষুদগী খুলতন্না কুমথনারক্রে।

মশম শাবা পাখক্ষহনা মথোয়না চংখিবহ্ যেংলগা অমুন্না হায়হৌই—

"নখোয় ঐবু খংডো ইপানা নি'থৌ ওইবনে নো'মদি ঐগী মথুংতা শিগনিকো" শাওবনা লুত্তোল শাংখ্রে, মশা পুম্বা নিকখ্রে মমাইদু হুমা'না মবিক মরিক কারকলে, মথুংনা পাযবকপা তাংবাক্তুনা মনাক্তা হৌবা উচান পাম্বা অনৌবা থুন্না য়েংশিল্লগা থক থক্ নিক্না ফমথক্রে।

"খোংথাং মরি"

"মনাক নকপা উপালদা উরিনা য়েংলি" হায়বশে অচুম্বনি হায়না পৃথিবীগী অফাওবা কবি 'কয়ান' প্রমান তৌনখ্রে অদুগা ঐগী রাখলদসু মসি অচুম্বনি হায়না তশেং তশেংনা থাজবা ফোংদোকচরি ।

মতম্না মীওইবা কনাবুসু ঙাইবীরমদে, অরা হুংঙাই থৌদোক কয়াবু পুত্না অসুম্মক চৎখি । পৃথিবীগী ফাওরবা করম্বা মীশক্না মতমবু মীকুপ অমতং পোথাহনবা ঙমগদগে ?

ওঝা শান্তীকুমারনা পুন্সিসু মখাল খুমল খুলদা অনৌবা মপোক অমা ফংজরবগুম হরাও তয়াম লেল্লকপনা থা খরা হৌ-জিনখ্রে । মহাক্কী লৈফম তোংঙান্না শাবগী রাকমত্থ অসুম পাং-থোকচামখিবদগী কাওথোক্নখিত্না মমৈথংদদি কদিরিয়াংনিযুগী মযুমদা মহাক্কী অশেংবা য়ুমগুম্না ময়াম পুম্নমক্না খংনখ্রে । অমরোমদা কদিরিয়াংনিযুগী মপানসু শান্তীকুমারবু অসুক্কী মতিক লুনা তৌরম্মী । পিক্না মপা কাইনখিবনা মপাদগী ফংফম থোকপা হুশিবত্থসু ইনৌ নৌনা মখাল খুমল খুলসিদা মশক খঙবা ঙমজরে ।

কদিরিয়াংনিযুনা শান্তীকুমারবু তশেংনমক হু'শিখ্রে । হুমিং চুপ্পা শান্তীকুমারগী মনাক্তা লৈবনা মহাক্কী হুংঙাইজবা ওইরক্লে । পামদা চৎলবসু শীংথিবা চৎলবসু শান্তকুমারবু পুত্থনা চৎলগা মচি অমদা 'ফমহল্লগা মহাক্কী মমা'দা মহ'ক্না থবক

শুক্তবা [illegible] অদুত্তনা শিঙবা হায়বত্তু ওত্তবনে। কদিগী [illegible] খুদংগী [illegible] বানি [illegible] শাকগী [illegible] মোকনৈ কনাংশ্বা অমত্তনা মথোংগী মত্তংগী [illegible] তেদে।

অত্তবু খুদাকপগী মচা লোংবাগী উত্তদি মথা চিঙ্কুনা থা হ। লোংবাগী উ [illegible] কি [illegible] লোইনবা মা- [illegible], [illegible] থবক [illegible] হেইথোকলাশংগী মবক্তা য়াওই হায়, [illegible] কাপ্তু বাবম চংতুনা লৈ।

মহাক্কা কদি'নু [illegible] কদিনা মঙোক্লাদ য়াদিদব। [illegible] লৈতে [illegible] শাস্তু [illegible] তোনো [illegible] লোংবাবদা [illegible] গ্রোক গ্রোক চানা থাংলম্মি।

তাঞ্জা ফংববাদ [illegible] নোংগে থদম্মা। অত্তবু কদি'গী [illegible] মবন অনদা [illegible] লাকবা [illegible] য়াওবা [illegible] থবনা লো- কাংবিডগী [illegible] শাস্তা- [illegible] চাবা [illegible] লাওবা থদম্মা মবন [illegible] অত্তবু [illegible] মা থি [illegible] থবক অমদি [illegible] ওয়া শাস্তা

নুমারম্নু খংদবা নত্তে, য়ারিবমখৈ লো কাক্কিউগী মীৎ দাদংবা হোৎনরম্মা অহনু কদিংনদি নরিনু থৌ-বা শাবিদে।

ভাইকপনি অচুম্বগী অনৌবগী কজানা উৎগে হায়বদো অংক্তুং নৈনহুনা য়ে শি।

❊ ❊ ❊ ❊

❊ ❊

“নোংমা সুংখিল অমা”

ওখা শাঙা [illegible] লদর্কী হয়াকঅগী চেক ঈশিং তোং মখা [illegible] দা হাইহাহং পোথাবা ওইনা ফমুংদা অম্মন [illegible] মথানহনে। [illegible] ঈশিং [illegible] ফনা য়াম্বা শানি, হুঙংগী মা অঙাংবা মাগী মাগী মথৌ চৎশিননা হুন্দু ঈচেক চেকপশুম তোই।

মদিম্ন চুঙ্গাক লোদা চৎকদানি অহনু [illegible] মখা [illegible] হৈনদবশুম ঈমুংহুদা বাহু কারনা চংহুনা ঈখ্রে। [illegible] থেরুগী তপনা তপনা ওখা শাঙাগী কাদা চৎখে [illegible] নখাঙা পানা চেৎকি অদা ফম্নগী চুমিন্দবা ওখা মাঙৈন [illegible] লেংহুনা লেরে। মখৌশানা হুম্মা [illegible] হায়বদে তোনশানি খুংঙাইদা চুমিনবা ওখা [illegible] তকোমলবা হক্চা মা [illegible] ঈশাং নপোং [illegible] কদিদ্রিনাং-নিযুগী থম্মোয়দা মপুং থাইবা [illegible] ঈথক ফনা তপনা তপনা হৌরকপগুম তোরম্মী।

অমুকস্তু মপুক্রী দা মণ্ডল মণ্ডল থল্লকই, মহাক্তি মৈতৈনি, ঐনা চী'মীনি, মতম অমদা মহাক্না চংঙ্গা ঐবু ইথন্তা থুলসিদা লৈতৌবা মগদনা'। অস্তুম থলজিল্লুবগা মথন্তা থম্মোই পুবা যাবক্ৱে থাম্না ... লমহেনবা পিগী লির অমা অনিদং মহাক্নী নোইরবা খঙাঙদা মরি মরি চেন্থরকলে, ওঝা শান্তীগী মাইথোংতু যেংবগী পেনবা নাইরক্তরে। মনাক নকনা চশিল্ল লুকথরগা মুন্না যেংই তৈথোকতৌদ্রবা বাথঙদ্রবা পিগী মরিকশি'তু ওঝা শান্তীগী মরাহবক্তা তপ তপ তারকলে।

ফোঙ-ফোঙ শাববা পিগী মরিকশি'তুনা হু'ঙাইনা তুমলিবা ওঝা শান্তীবু নিকপ থোকহল্লে। মমিং পা'থোরকপদা পিরা'না চোংলবা কদিগী মাইথোংদা মানু মীংকুপতনা য়েংতুনা লৈরম্বতুদা ইঙক ঙকলে, অঙকপনা থল্লবা চিনবান্দগী অস্তুম্না হায়রকই "কদি নহাক কৈদে দে"

কদি মমাই লৈথোকলে ফমু' মনাক্তা থারিবা টেবিলতুদা মমাই লুকথতুনা লৈরে। শান্তিমান তপনা হৌগ লে কদিগী মনাক্তা চংশিল্লগা মবেন ম অনিতু পানগা মমাই লৈথোকপিবগা "হাযযু কদি নহাক কৈদৌরে"

কদি থুমদবে লোনথোকতবীগুম তুম্মীন্না অতুম্মক লৈরে, থম্মোয়না খোইদাজবা মহাক্তুগীদমতনি শিন্থরীবা পিরাংতু খোইদাজবা মহাক্তুনা মহাক্নী মশা পায়তুনা নহাক কৈদৌববগে হাযনা পাওহ'লক্লবদা মহাক্নী থম্মোযতু তনিক তনিকখ্রেহাংবা হৈত্রবা ইঙা থাগী নোংজুগুম মহাক্নী মীং অনিতুদগী পি অরেপ্পা লৈতনা

চেন্থরকলে, শান্তীকুমারগী মথুংনা চেন্থরকলীবা পিরা তু হন্না হন্না তৌথোকপিরে কদিবু মথান্নুংদা চেংনা কোনশিন্নগা হংলকই অমুকস্থু—

"হায়য়ু কৈদোবগে, কদি নহাক কৈদোরবগে"

শান্তীকুমারনা হন্না হন্না হংলবত্তুদা ইকাই খুংশি য়ান্নরবা কদিগী চিনবান্দগী অস্থুন্না হায়রকই—

"ওঝা শান্তী নংদি নোংমা ঐথোয় পুন্নমকপু থাদোক্লন্নগা চংখিনিদো নংনা চংথ্রগা ঐ ইতোমতা লৈহৌগদবত্তু থল্লুবগা ঐগী মবুকশি মওল মওল থল্লকই কব্রিগীনো থংদে ঐগী মমিংসিদা পি হন্না হন্না তাব্রকই"

মরোল থোইরি থোইরি ঙাংলকপা কদিগী ব্বাহৈ থরত্তু তরুবদা শান্তীকুমারগী মায়থোংত্তু হরাও খুংঙাইবগী কুয়োম্না য়োমশিনগ্রে, চিনবান্দুদা মপুং ফারবা খুংঙাইবগী মীনোক অমা থুংলরে।

"কদি, অত্তুথক্কী ওইরে নংনা কপ্পীবা ঐদি শিড্রিবফাওবা নংগী নাক্তা স্থুম লৈরগদবনি, ঐনা মংবু থাদোক্কুনা চংখিনি হায়বশিবু নহাক থাজবরা"

কদিগী তরু তরু পাংলবা মমিং অনিত্তুনা শান্তীকুমারবু হঙ্গৎনা য়েংলগা অস্থুন্না হায়ব্রকই—

"অত্তুদি ওঝাগী মচিন্না মীনম্বা ঙাংবনি"

শান্তীকুমাব্রগী চিনবান্দুদা য়াম্না করেম্নবগী মীনোক অমা থুংলখি—

"কদি ঐদি মীনম্বা ঙাংবা হৈতে অতুগা নংগী মক্কমদা ঐনা মীনম্বা ঙাংগনি হায়বা বাফম অসিমম্ তাঙরুগু, অচুম অবাল মশক থংদ্রবা লাইরববু ওৎ-নৈবদা হ'ঙেংবা লৈত্রবা সমাজত্তদা ঐহাক অনুক তল্লবোই পুন্সী ৎগা নখোয়গী নাক্তা লৈরনি"

কদিগী মাশখোত্ত হুংঙাইবগী ঈযক মচা অমত' হৌরকখি তপনা হায়রকই—

'অচুম্বা"

"অচুম্বনি কদি, তস্পাক লমদা ঐ চৎলবোই অতুবু নোংমত দি চৎলুখিগে থল্লী অহল ওইরবা ইমা অমা লৈহৌরি মহাকপুস্থু লৌবিরুনি, হুংশিবা থ'দ্রবা সমাজতুনা ইমাবু ওংপিরমগদবত্তু হল্লুরগা মতম পুম্নমক্তা ঐশে থাখলগী বন্দী লৈরি" কাদগী চিনবান্না অশুম্না শোল্লকই—

"ইমা" !!

"উম হমা লৈহৌবি"

কাদনা পুক্নী হুংশিনা হায়রকই—

"হালমথৈদি ঐঙোন্দা করিগী তাক্তে, ইমাবু মথন্তা হুন্দোকপা হৌনবরা মহাক কয়া থারমগবা মহাকপু লোৱারুচো ওঝা ঐদি ইমাবু য়াম্না হু'শি, ঐনা হুংশিজবতুনা ঈশ্বরনা ঐগী ইমাবুদি ঐগী নাক্তা থম্বীদরে।"

তাঞ্জাহুনা ক-ানো অমা ইমুংদা চংঙকপগী মখোল তারে উপাক্না ফম্বাক হাবা য়ুমনিনা মী চংঙকপদি য়াংনা লাইনা থংবা ঙম্মী।

য়াম্না থুনা শান্তীকুমারনা ফমু দ। ফমথরে কদিনা মনাক্তা লৈবা চৌকিত্থদা ফমথরে, মতমত্থদা নি.লতরিগী অমনবা ফুরিৎ খোংগ্রাও শেংপা নাকন্দা থাংপাক য়ানবা মশম মনা শাংলবা য়েংবদা কিবা পোক্রবা লোংকাকিউ কাহ্নদা চংঙকলে, হায়রকই—

"ওঝা করি তৌবরা, করিগী তুমান তুম্মান ফম্বরা"

ওঝা শান্তীনা খজিক্তুং নোকঅগা হায়রকই—

"নহাকস্থু ফমমো ফমুংসিদা"

"এঃ ঐবুদি ফমজ্রবস্থু য়াই অত্থু ইচল কদিরিয়া নিয়ুদি, লাইরিক য়াম্না হৈবা ওইরনি হুমিৎ চুপ্পা ওঝাগী নাক্তাংস্থ্রম লৈরবনিনা"

কদিনা শাওরপ্পা হায়রকই !

"লোংকা—কিউ"

"হঃ করিগী শাওবরা, নপুক মাংবদি শাওফম থোকত্রা নপুক ফরবদি করিগী শাওনি লাইদি অচুম্বা ঙাংঙগা শাওদে মীদি অচুম্বা ঙাংঙবদি শাওবনে"

শান্তীকুমার নোকনিংদনা খজিক্তুং নোকঅগা

"ইত্তাও লোংকাকিউ নংশে অচুম্বদা ঙাংইকো"

"লোংকাকিউনা. মশাবু নাপল কাহনজবা মীনোক মচা অমা নোকঅগা "অচুম্বা ঙাংত্তবা মীদি লাইনস্থু শাওবনে অত্থুগা ঐখোয়গী মখাল থুমল থুলসিদা থবক ফবদা মমিং চংলম্বা ইচল কদিরিয়াংনিয়ুনে অত্থুবু ওঝা মীতৈ নং হেক লাকপদগী থবক

শুপিত্রে মুমিং চুপ্পা নংগী নাক্তা অস্তুম লৈনিংবনে, নংনা খুলগী লৈশাবু কাবদি তৌগনো।"

লোংকাকিউগী ৱাহৈহুনা কদিবু অশাওবগী ইরোলম্ভু দা লুপথহনখ্রে, মখা চিক্লহুনা হায়রকই—

লোংকাকিউ, নংনা মযু থরা থকচিল্লগা কিগনি নিংবরা কুইনা লৈরবদি অপা তাক্তুনা নংবু যুৰিগনি মশে নংগী নপানা শাবা মযুম নওে খঙজো।"

মতাং অসিদা কদিগী মপা অঙম থা'জো অমা প যহুনা চ'ঙকই, মখোযনা ঙা'নরীবা ৱাহু তুম্মীন্না লেগগা তাই লোংকাকিউনা মখোং থিল্লহুনা লাওহংলগা হা"রকই—

"মীগী মপা পনগনো লমহেল্লবদি ন'বুম্ব ফুবিগনি" কদিগী মপা অঙম্না যাম্না চি' লেম্বা মীনোক অমা নোকঅহুনা

"লোংকাকিউ মযু ঙাওবরা ?"

লোংকাকিউ নমাই ওন্থোরকপদা অঙম্না থাংজো অমা পাইহুনা লেপলম্বহুদা কিবনা লুতোল শাংখ্রে। ঙাইহাক তিঙক মাইঙক্লরগা নোক্লাংদ নোক্লাংদা খজিক্তং নোকঅগা "অপা" হায়রমলগা মফমহুদগী থুনা চংখ্রে।

মতমহু শান্তীকুমারদি হু'গী মুক্তিগুম লেংদবা মীংয়েং অমদা যেংঙগা লমকৈথ্বা ৱাখল অমদা মশাবু লুপথজবগুম মতৌরি কদিনা মপাগী নাক্তা চংশিল্লগা যাম্না থম্মোই শোক্লা "অপা লোংকাকিউনা ঐবু কনা লৈতবগুম ইতং তংতনা অস্তুম্না তৌবশে ঐগী মথৱাইশে মুংঙাই-- "

অঙম য়াম্না শিংবা মীনি মচাগী পুক্নীং কাখনবা মচাগী কোক্তা নানবীরম্লনা—

"মচল অমগুম ঙাংপিবা ওইরিবি করিগী অহুম্না খল্লী, মাগুম্বনা ইচাদা করি তৌজবা ঙমনি মাগুম্বদি খমখো খুল পুম্নমক্না অমতা ওইথ্রবসু ঐনা কিপিগদবা লৈত্তে কাম্নত্তে চুজাক লৌহু য়োংমুনা য়াম্না নৈবীরে হায় চংশে" ঙশাইমখৈ তুম্মীম্না লৈরম্বদগী শান্তী-কুমারনা হায়রকই "অপা ঐসু লাক্কে চুজাক লৌদা"

অঙমনা য়ামনা হুংশিবা মীনোক অমা নোকঅহুনা—

"বাগনিদা ওঝা"

"হুম বারোই অপা"

বিং-থুংলবী হরাওরবী কদিনা সম অমা য়াল্লহুনা মপা অঙমনা মাংদা চং ওঝা শান্তীকুমারনা তুংনা, মখোই অহুম খুন্দগী অবাং পাংনা থোই খোইনা চংথ্রিবা খোঙ লম্বীহুদা চংখ্রে।

মখোয়না চংথিবহু খুল্লাকপগী মচা লোংকাকিউনা চীংদোং অমদা লেপলহুনা য়ামনা শাওনা য়েংহোই নাকন্দা য়াল্লীবা থাংপাক্তু শংলগা মুন্না য়েংই অরংবা থাংপাক্তুদা হুমিংকী মঙাম্না লৈবদা থকতোরকপা মঙালহুনা মমাইদা লৈরকই।

মশাহু তনিক তনিকই, মথা চিকই, মনাক্তা হোবা য়াইমরপ চাওবা উয়ুঙ অমদা মকনথি থোক্না য়াল্লী।

অমুক য়ানবদা তুপতুনা উয়ুঙহু চীংদোংহুদগী মখা পাংনা তুখখরে॥



"খোংথাং মঙা"

"নোংমা অহিং অমা"

নোং হুংশিং কয়া শিংলি, সজ্ঞা মতুংদগী শিংলকপা হুংশিংতু অহিং তংখাই চম্লবা কাওবা লেপতনা অত্থ্যক শিংলি মখাল খুমল খুন্দু মীচিক মীরাওখোল তাখিদরে মতম অসি-মক্তদা কয়া শিংলিবা হুংশিংতুবু করিম্নু থোশাবা লৈতনা, মথক্কী অম্মুকপা উমংলোমদগী মখোয় তরুক খুল তম্না তপ্না তপ্না কুমথরকপা উই। অমম্বা অহিংত্থদা মখোইগী মশক থংবা ঙমদ্রবম্নু নোংথাং অমুক অমুক কুপলকপদা মখোইগী মৎং মতৌ থর-কাওবদি উবা ঙংই মিলিটরিগী ফিজোল শেংপা ভাক্তনি নাকন্দা নোংমৈ য়াল্লী। লেপতনা চংশিল্লকপনা খুল্লাকপগী য়ুম য়োশিনখ্রে, শুমাং য়োবদা মখোই ময়ামগী মরক্তগী অমনা মাঙ্গোললোমদা টোর্চলাইট কাপশিল্লী, মাঙ্গোলদা কুল্লীবা হুইশিংত্থনা ফুক ফুক হৌগৎতুনা লাকদবগুম গৌ গৌ খোংলকই মতমত্থক্তদা খুল্লাকপগী থোং হাংদোরকলে, টোর্চকী মৈঙান্দা উরে খোররিক্ত্থ লোংকা-কিউনি মহাক্না কয়া লাওহংপদগী হুইশিংত্থ তুম্মীন তুম্মীনা লৈখ্রে।

মখোয় ময়াম তুম্মীন তুম্মীন মাঙ্গোলদা কাখৎলকলে, লোংকাকিউগা করিনো বা থবা জু-জা ভাংনরে মখোয় ময়ামগী মরক্তগী অমনা মথুৎনা পায়রকপা বেকতু চেল চিংথোকই

লোংকাকিউনা টোর্চলাইটনা কাপশিনবদা উরে বেক্তুগী মহু'দা পৈশা মপুল থরা য়াওরি, বেকতু লোংকাকিউনা পায়শিল্লগা মখোয় অমুক হন্না মথক্কী অমুকপা উমংলোমদা কাথংখরে, অহিংহু য়'ম্না হেংলে, হুংশিংমু থরা ইংথখরে অহুবু নোংদি তপ্লি তপ্লি চুরি। খুনগী মথক্তা মী চংবীব্রবা চাওরবা লৌক অমা লৈ মকমহু মতম শুম্নমক্তা হুংশাগী মঙাল ক'দে, চ.ওরবা ইশ' কারবা উ কয়ানা বাংনা বাংনা হৌরি উচেক লা'মৈ-দোলশিংনা মতম চুপ্না পাইখোক পাইশিল তৌবনা গে-গো গে-গো ইনিল নিল্লী, অহুবু থেংলবা অহিংহুদদি ওন্না তুমথুল হন্নথিবনা মকমহু উন বাইমুক চিংকখ্রে।

অহুবু থেংলবা মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা শা ঙাগ্নী খোঞ্জেল কাওবা তাশিদ্রবা নোং থিংলি থিংলি চুবা অহিংহুদা লোক্কী মচি অমদা নাহেবগুম্বা মীগী মখোল অমা তাই। মতম-শুমক্তদা লোক্কী মথক থংবা ময়িলহুদা টোর্চলাইটকী মৈঙাল অমগা লোইননা মী থরা কুমথরকপা উরে, অস্থুম অস্থুম নকশিল্লক-লে শুঙ মরক্তা হৌবা ঈশংকাবা উ অমগী মখোং তন্না চংশিনখ্রে টোর্চলাইটনা কাপশিনবমক্তা উরে, ইশং কারবা উহুগী মখোংদা উরিনা কোইয়েং য়েংশিল্লগা মকোক-মরু কাইরবা অশিবগুম ইরেক লেকথরবা নিপা অমা লৈরে, তপ্না তপ্না নাহেকগী খোঞ্জেল অমদি মহাক্কী চিনবাম্লগী লেপতনা থোরক্লী।

লাক্লীবশিংহু বানরবা মহৈ মহৈ হুঙদা ফমথনখ্রে ঙাইহাক লৈরগা ফমলিবশিংহুগী মরক্তগী অমা হোগৎলগা পুল্লীবহুগী মনাক্তা চংশিনখ্রে অহুগা হায়রকই—

"বাহাছুর! নহাক ছজিক করি পাস্মী?"

শোল্লবম্ম অশাওবনা মশাবু খজিক্কং কনখংহল্লকপগুম তো-রক্লে, মহাক্কী হকচাংগী মফম খুদিংদা মিছুলগী খোংথাং অমা কম্না থা'বা হৌরক্লে মশাত্থু ৎক থক নিকলে লেকথবরা মঙক্কু খজিক্কং হাযগৎকে তোই অছুবু হায়গৎপদি ঙমদরে মহাক্কী চিনবান্দগী তনিকলবা বাহৈ খরা থোরক্লে।

"লোংকাকিউ ঐ নঙোন্দা ইরাল লৈবা মীশক নত্তে, ঐনা চহি চুপ্পা রাজরুবগী হুমাং-মলদগী ফংজরকপা, চুজাক ভমলুবগী লিশিং অহুমছু লৌবতা, নত্তনা ঐবু অম্মুম্মা লাক্লবশে নংগী অফবা ওইরোই"।

লোংকাকিউ নোক্লীংদনা করেম্নবগী কংনোক অমগা লোইননা হান্নদগী খোঞ্জেল খজিক্কং কনখৎলছুনা হায়রকই— "হায নেপাল্লী মচা। ন'কী রা ঐ তাপিবা পামদে ঐনা হ'বদি মহাক্কী অপাম্বছুনি, ন'নাচহি চুপ্পা চুজাক থাবদা রাজবছ ঐনা য়ুমদা তুম-ছুনা লৈরগা অপংবা নঙোন্দগী অশিংবা ঐনা পৈশা লৌথোকপা"

রাহৈশি হেক ঙা বা লোইরকপগা খোঞ্জেল হোনা নোক্লম্মী। মহাক্কী মীনোকতু থুববা শুক্লবা লোকতুগী মফম মফম খুদি দগী খোন্থা না মতেং পা'শিল্লক্লম্মী।

অশোকপছ মথৎাই প্রোক প্রোক চাক্লম্মী, উপাই লৈতবনা মশাছ থক থক নিকতুনা থাংলম্মী অছবু অশাওবছ খজিক্কং লোংশিল্লগা অম্মুম্মা হায়রকই—

"ঐবু থাদোকউ লোংকাকিউ, য়ুম ফাওবদং য়ৌনবা শিল্লু ঐঙোন্দগী লৌখিবা লুপা লিশিং অহুমহু নহুগী মৱমদা ঐহাক্ করিস্থ খল্লরোই"।

লোংকাকিউনা খজিক্তং খম্বরগা হায়রকই—

"বহাদুর! ঐ নংবু চিংনৈ নং নপুক শেংবা নেপালি নত্তে নংবু ঐনা হেক থাদোকখিবদা ঐনা হোষ্টাইল শাশিন্নহুনা মফম মফম খুদিংদা লুট তৌবা মীহাৎপগী থবক চৎথরিবশে পোলিসতা ভাক্তুনা ঐবু ফাহনগনি হায়বশে ঐ খংই" অশোকপহুনা অমুক হন্না মথম্মোয়বু মখা চিকতুনা ফাখজরগা হায়রকই "লোংকাকিউ! ঐবু থাজৌ ভাংথোকখিবা বা ভাক্লবা হোৎনবদা খৱায় থারবস্থ চিংনবা লৈতবা নেপালি জাতি ঐখোয়নি ঐ নংগী মাংনবা শিল্লোই" মহাক্না হায়জবহু শাদগী হেন্না তমখিরবা লোংকাকিউগী মফমদদি করিস্থ ওইনা খনবীরমদে, অশোকপা নেপালিহুগী মশম পায়হুনা লেকথরবা মকোক্ত থাংগৎপিরগা হায়রকই—

"বহাদুর নংবু থাপিবা ভমপিরোই; ঐগীদমক খনপিতুনা নং শিপিবা ভাই, শিপিবা হায়পশে নং ভাক্তগী নত্তে, অহুগা নংনা শিপিথ্রবা মতুংদা নংগী মতুবু ঐনা লৌপিগনি, নং ৱাপিগন্নুকো" ৱাহৈশি হায়রমলগা লোংকাকিউ মফমহুদগী থুনা চৎথ্রে, মহাক্না চৎখিবদা ভসাইমখৈ শুঙমথক্তা ফমদুনা ক্রুমহৈ য়েংলমলিবা মখোয় খরদুস্থ মাগী মতুং ইন্নথরে! খৱা ক্যাখৎলগা অপাকপা শুঙ অমদা মখোয় লোইনমক ফমথথ্রে,

লোংক'কিউনা বেকতগী লুপা চাম্মচৎপি অমা লৌথোক্লগা হায়রকই—

"থঙপিয়ু বহাদুর হাৎপিগদবা মীনা লুপা চাম্মা ৎপিগনি" থিন্নদে অমা ফুক হৌগৎলকই, লোংকাকিউনা চাম্মা চৎপিদু পিরগা "হোতানাং থঙপিয়ু অমুক্তগী হেনপা যাদে"।

মতম অদো লাইবক থিরবা উপাই লৈজদ্রবা নেপালি মচাদুদি, মহাক্কী কালাপহাডদগী লুহোংলুবা থা তরাহুমদোইতা ঙাইরিবা মহাক্কী মুপী অমসুং থা অহুমতা ঙাইরিবা থোমগী অঙাং অনিদুনা চীংঙ্গোলগী অচিকপা মক্কমদুদা শেগাইরবা যুম অমগী মনুংদা কয়া রানা মহাক হল্লকপতবু ঙাইরমগদবা পুম্মমক্তু থল্লুরগা মহাক্কী মিৎলুদগী থাম্বা ঙমদনা পি হন্না হন্না শিন্দুরকলকম্মী।

চহি চুপ্পা মহাক্কী মুপী অমসুং মহাক্না চুজাক্কীদমক্তা লমং নৌ নিলবদা রাখিবা অমসুং চুজাক যোল্লগা ফ'লকপা পৈশাদুনা ইরোই লৈগনি মথংগী চহিদদি হেন্না মু'ঙাইরগনি খনখিবা মতৈ মনাওগী রাখল মহাক্না চুজাক যোনবা চৎলমদাইদা মহাক্কী মুপীনা মাবু য়েংদুনা লৈহৌবা অমসুং মহাক্কী পিক্লীবা মচাগীদমক্তা শামতুগী টুপি, শামতুগী ফুরিৎ খোংগ্রাও, লৈরকউ হায়হৌবা মাগী মুপীগী মুংশিরবা রাহৈ হৃজিকতা থোকখিবগুম মাগী মমিৎতা শংশং উরকলে, চুজাক যোনবা লোইরগা মুমিদাংরাইরমদা মচাগী মফি মরোল লৈরগা কয়াগী মত্তিক থুন্না মযুমদা হল্লকখিবা অঙ্গবু মযুম য়োগদবা থজিক্তা ঙাইরবদা ফত্রবা

হোষ্টাইল শাশিন্নবা লো কাকিউগী কাংবুনা মহাকপু ফাখিবা পুন্নমকতু .মহাক্কী রাখলগী চেনাশিংদগী তপনা তপনা হায়-দোঃকপগা লোইনা লোইননা লোক্কী মচি অমদগী মহাক্কী হুপীনা মহাকপু কৌরকপগুম মহাক্কী নাকোংদা তারক্লে, শুক্রবা লোকতুগী মচি মচি থুদিংদগী মহাক্কী পিক্লীবা অঙাংতুনা কপ্পগী খোঞ্জেল মহাক্কী রাখলদা হন্না হন্না তারম্মী। লাংদা থুরবা নেপালিচু খাংবা ঙম্মক্তরে মশা থক থক নিকলে শোন্থাংনবা হিক হিক কপলকলে * * *

মতমচুমক্তদা লৃপা চাম্মা ফংলবা লোংকাকিউগী খোঙলোইচু মখুৎতা থাংপাক অমা পায়তুনা মফম'চুদা থুংলরে—

ওঃ—অরাবনি ! শুকলবা লোকতুবু নিলহনবা ঙম্বা খোঞ্জেল অমা অম্বুক্কী মতিক কন্না লাওবা তারম্মী পিক্রবা, থুরবা উরি-বারিনা উপশিন্দুনা ইমম-মমহল্লবা লোকতু থক থক নিকপগুম্ব ত্তোরম্মী।

লোংকাকিউনা হুঙপাক মথক্তগী লেপথৎলগা টোর্চলাইট ফাপথরক্লম্মী মহাক্না উরে মরাল লৈত্রবা নেপালিচুগী মকোক্ত, অঙাংবা ঈনা মচু শংলবা হুঙ মরক্তা তাতুনা লৈরে, মখোল থোক্তনা তরু তরু চেল্লীবা লুরবা লোক্কী ঈশি'দো ভাইহাক্কী মতুংদা মচু ওনখ্রে।

উদা পুন্দুনা লৈরিবা নেপালিচুগী মকোক য়াওদ্রবা হকচা'চু চুজিক ফাওবা থক থক নিকলি। মতমচু লোংকাকিউগী মাইথো'ঙ্গি মকা লাম্না মোমোল নোক্রম্মী।

হুমিং কয়া থা কয়া নেপালিহুগী অশিবা মশাহু লোকতুদা তাহুনা লৈরম্মী।

অমরোমদদি অৱাবগী মশক্কী মহাক্কী হুপীনা চীঙ্গোলগী অচিকপা মফমতুদা শেগাইরবা যুম অমগী মনুংদা মপুরোইবা হল্লকপা অস্মুক্কী মতিক খোৱাংনা ঙাইজরম্মী। থা ফাজিল্লৱবদা মফম মফম খুদিংদা চংতুনা মপুরোইবা থিরম্মী অদুবু কনামতনা মপুরোইবা উই হাযব য়াওখিদ্রে।

কালাপাহাড়দগী মমা মপা লাক্লে, হুনিং কয়া মখোয় পুন্না থিমীন্নরে পোলিসতা পাও পিরুরে, পাওগী চেফোং কয়াদা হাপখ্রে। অদুবু পৃথিবী পুম্নমক চংহুনা থিন্নবসু মী চংদ্রবা হুমিং থাগী মঙাল য়োঙমদ্রবা মফমহুদা পুমহুনা লৈৱৰবা অশিবা মশাহুবু ফংবা হান্নবশে ওইথোকদবা ৱাফম নত্তে।

কাইনথংদা থিবা ফংমল্লক্রবদা নৌনা মপুরোইবা কায়নৱবী হুপীহু মমা মপানা কালাপাহাড়দা পুহুনা চৎখ্রে। অৱাবনা থল্লবা থোদোক্নী চৎলমদাইদা হুপী মচাহুগী মতৌ কনামতনা য়েংবা ঙমখিদে, মথাল খুমলগী অঃাংথংবদা ঙমলবা লোক অমা লৈরিবহুগী মখোংদা মতৈমনাও চংহুনা শাজবা যুম, অমস্তুং অস্মুক্কী মতিক ৱানা নিনজবা লম ময়াম অমস্তুং মতৈ মনাও চংহুনা ৱানা লা থৎচবা যনবী যন্নাও ময়ামহুবু য়েল য়েংলগা [illegible] ঙাইওন্নরবা নোংদমহুবু থা থাহুনা মরাইবক্তা খুৎতুম্না শু-শুন্না কপখি য়েংলুব খুদিংদা মপুরোইবগী খুৎফম ঙাক্তনি, করম ক্ষাওবা ঙমগনি পুন্সি বসন্তগী খোঙলোয় মহাক অদুবু * *।

মী চিক্রবা চীংয়াগী লমহাঙহুদা মপু লৈত্রবা থাংপোকতু হুমিং কয়া থা কয়া রানা 'লেপচুন' মখোয়হুবু হল্লকথিগদয়া থয়া ওাইহৌরি।

* * *

অহুগা অমরোমদা নেপালিগী মশাহুনা পুমথয়কপা মতমদা নমথিবনা কনা অমত্তা লোকতুদা চংবা ওয়খিদে মকমন্থ মতম-হুদগী নমথি-লোক হায়না অদুম্বক থঙনথয়ে অদুগা কনাগুম্বা শাদানবনা করিগুম্বা মকম'দুদা চংলুবদা মথুংত্তা-থাং পায়বা নেপালি অমা লাও-খোংহুনা কোয়চেল চেনবা থেংনৈ, করিগুম্বদনা মশক উদ্রবম্নু কয়া লাও-খোংবগী খোনজেল ত্তাই থওইনা থিরুরবম্নু থিবা [ফ'দে থেংনরবম্নু চংশিল্লুবদা হেক্তা মাংখি মরম অহুদগী নেপাল্লী ভূট খোকই নত্রগা লাই খোকই তমনৈ হায়হুনা মকমদু কনামত্তা চংনথিত্রে।

* * * *

"খোংথাং তরুক"

"নোংমা মুংখিল নুমিদ'ংবাই"

শান্তীকুমার মথন্তা কদিহোয়গী চুজাক লৌরোমদা চংলম্মী, কদি অমমুং মপা অঙমদি অয়ুক্তগী হৌনা চয়োম পুত্থনা চুজাক লৌদা চংপ্রবনি।

থুলদগী অবাং পাংনা চংখ্রিবা পিক্লবা খোংলম্বীথুগী মতুং ইন্দুনা অম্থুম চংলগা, ঙমলবা চিংচেপ অমদা অমুক মথা পাংনা হায়থখ্রগা ফৌদেম ওইনা তৌবা মফম অমা থেংনগনি, মফমথুদগী অবাং পাংনা য়েংখিবদা মীয়েংগী লম্বীদা পাক শন্না শনদোক্লীবা চুজাক লৌদ, কদিহোযগী চুজাক লৌনি।

চুজাক লৌথুগী ময়াই ওইরপনা বাংলবা শগাই অমা লৈ শগাইথুগী মথক্তা লেপলথুনা ঙমলবা চীংচেপকী খোঙ লম্বীথুদা থম্মোযগী খোইদাজবা মহাক অদো লাকপরা হাযনা খৌরাংনা য়েংলি কদিনা। মতমথু মপা অঙমদি মথাদা থবক শুরি।

ঙাইহাক লৈরগা শান্তীকুমার ঙমলবা চীংচেপকী লম্বীথুদা তপ্পা তপ্পা কুমথরক্লে, লৈতেম মান্নবা ফৌদেমথু য়োগদবা থজিক্তা ঙাইরে। থাপনা বাংলবা শগাইগী মথক্তা লেপলিবী কদিরিয়াংনিউনা, 'অথাপ্পা তময়াগী অমঙবা নোঙ উরগা নো ঙ্গৌবীনা হরাওজবগুম' হরাওবগী ঈপোমদা মশা পুম্বা লুপথজবগুম তৌরি মচাগী মতৌথু মপা অঙম্না য়েংলগা মথন্তা মখোল থোক্তনা মোমোল মোমোল মোক্লী।

তাঞ্জাহূমক্তদা বাংলবা শগাই মথক্তুদগী কদিনা অস্মুক্কী মতিক কন্না লাওরকই "অপা * * *" মপা অঙম্না য়েংখৎখিবদা বাংলবা শগাইহুগী মথক্তগী চুঞ্জাক মরক্তা কদি চোংথরক্লে মমাই উপশিন্দুনা বুব ল্মাওনা তারে, মমাই মমিৎ ইতত্ তংলে অহুবু পন্থদে ফুক হোৌংলগা মথা পাংনা অস্তুক্কী মতিক কন্না চেনখ্রে। মচাগী মতৌহুদা ঙকপনা থে'লবা অঙম পাখৎপগা লোয়ননা মচাগী মতুং ইন্দু ১ চেল্লক্লে, চেন্না চেন্না লাওরকই "কদি * ! কদি *"

কদিনা মখোল থোক্লা কপ-লাওরহুনা ঙমলবা চীংচেপলোমদা মথুং থিন থিন্দুনা চেল্লী।

অঙম মচানা খুৎ থিল্লীবা চীংচেপলোমদা য়েংখংলুবদা অঙকপা থোৌদোক অমনা মহাক্কী বাখলবু অঙকপা অমস্তং অকিবগী ঈপাক্তা ঈরাক্লহনখ্রে, ঙমলবা চী'চেপতুগী ফোদোম য়োরমদায়গী খঙম ঙম্ব'হুদা য়াইমরপ চাওবা উ অমদা মমৈ মকোক ওন্ননা হুপা অমা য়ান্দুনা লৈরে।

কদিনা লাও খোংবহু তারহুনা মনাক নকপা পামলোৌদা থবক শুরম্বা হুপী হুপা ময়ামস্তু মফম অদোমদা চেনশিননরক্লে অঙম্না মফমদু য়োবদা মচাহুপী কদিদি উথোঙদুদা বাম্বদুনা লৈরমলে, উথক্তা য়াল্লিবদো অতৈ ওইরমদরে, ওঝা শান্তীকুমার ওইরমলে, কনাগুম্বা মবুক ফত্তবা অমনা চুক্তাক লোৌগী লম্বীদুদা 'হাইগং লাং' মখল অমা য়াইমরপ চাওবা উদু চিংথরগা থাকচিল্লম্বদগী ওঝা শান্তীকুমারগী মখোঙনা লেংল্লদুনা থুখিবনি। ময়াম চেনশিন্নরক্তুনা উদু চিংথবা য়াও ইন্থুবা য়াও য়াম্না রানা লোৌথরে। মতমদু

শান্তীকুমারদি মীরোল-মীরি ভারমদয়ে। ময়াম চংদুনা শগাই শারগা থুল য়োনবা পুরকখি, বাম্বরবী পাখৎচাওরবী কদিবু মপা অঙম্না পোরগা ময়ুম ফাওবা পুরক্লে।

থোকখিবা থৌদোক পুম্নমকতু থাপলপ মোংশোং অমগী মরুমদা লোংকাকিউনা হুংঙাইরবা কুমহৈগুম্না য়েংলম্মী মহাক্কী মাইথোংদা নিংবা থুংবশী মীনোক অমনা অস্থকী মতিক মকা লামহল্লম্মী।

অদুগা কদিগী মপা অঙমদি শাওবনা মশা ফাওবা থক থক নিকখিরম্মী।

* * *

থুল য়োয়গা অথঙ অহৈশিনা লায়কম্নরবা মতুংদা শান্তী-কুমার জ্ঞান থরা তারকলে, কদিনা ঈশিং অশাবা লুমহনা হিগা যৈহনা অস্থকী মতিক কন্না হোৎনজরম্মী। অদুগা মপা অঙমদি মথ্যাই হুংঙাইজবনা চাক ঈশিংকা চাখিদ্রে মহাক্তি মীনা লাকচবা হায়বশে পুম্নীগী ওইনা য়ারক্তবনি, মরাল লৈজদ্রবা মচাদগীসু হেম্না লুনা থল্লবা শান্তীকুমারগী মকমদা থুনগী মীনা শাথিনা য়েংথিবা য়াওরে হায়বশে থল্লুরগা শান্তীকুমারবুতা নত্তনা মহাক অমা লৈরি হায়বশী থজিক্ত ফাওবা য়েংবীরমদ্রিবশে মহাকপুসু উশিংত্রবনি হায়বা বাফম অসিনা মহাকপু অস্থকী মতিক ওং-লৈরম্মী।

অতিংদু মীৎ থজিক্তুংফাওবা উইশিনবা য়ারমদে ফমুংদা লোংনা হিপলগা বাথল থন্দুনা অদুম লৈরম্মী।

মতমদু শান্তীকুমারদি ইশি-শিনা তুমথখরে, টেবিল মথক্তা দোশি চাওনা য়ৈখৎলবা থাওমৈ পোদোল অমা হাইনা হুমা চাক্লী খুয়াদা কদিরিয়াংনিউ তুম্মীন্না ফমলি, থোকখ্রিবা থৌদোক-শি দু লোংকাকিউগী খুজিল থৌরাং ওইরমগনি হায়বশে মহাক্কী থম্মোয়না অমুক্কা মতিক কন্না থাজরম্মী।

মতুংদসু লো'কাকিউনা মহুদগী হেন্না শাথিবা থবক তৌরকখিগনি হায়বগী চিংনবনা থল্লবা নোংলৈ হু'শিং অমা মহাক্কী থম্মোয়দা অমুক্কী মতিক কন্না শিংলম্মী, করিগুম্বা শান্তীকুমারনা খুঙ্গংশি থাদোক্কুনা চৎখিবা থোক্লবদি মহাকসু মতুং ইন্দুনা চৎপা ঙমগদরা হায়না মথন্তা মওল মওল খনজরম্মী। অদুবু মহাক্কি চীংমীনি মীতৈনা চীংমীবুদি অমাংবা জাতিনি হায়দুনা ইমুংদা ফাওবা চ'হন্নদে, তুক্কচৈ, হঙ্গোইবৈ, করিগুম্বা মহাক্না চংখিবা তারবসু মফম অদুদা মাবু মা-ইনা থাবীরোই, ওঃ কয়াদা তমথিঙবা চৎনবীনো, অদুঙৈ ংশিযনা মহাকপু লাঙ্গোঙ্গ চলশিল্লকপা মতমদুদদি ৱাখলশিং অশে খন্থবগী তাঞ্জা ফংহনথিদে।

থেংলবা অহিংদুদা কদি মখোল থোক্লা হিক হিক কপ্লক্লে, থেমজিনবীনবা কনাসু লৈতে, শাংথ লেন্থ মনিং তম্না কপচবা নত্তনা।

তাঞ্জাদুমক্কুদা শান্তীকুমার মীকপ থোরক্লে, হকচাংগী মফম খুদিং চৈনাখোলনা লেঙবা য়ারমদরে, মহাক্কী খুয়াদা হিক হিক কপলিব কদিগী মতৌদু উরগা থম্মোয়দা অকনবা

চৈনাখোল অমগা লোয়ননা হু'শিবগী অরোইবা লৈত্রবা শাফু অমা অমুক্কী মতিক কন্না ফুজিল্লক্লম্মী, অদুবু মহাক করিমতা ভাংথোক্কেদি খন্দরে ড়ুম্মীন্না মমিং তরু তকু পাংদুনা অদুম্মক লৈরম্মী।

অরোই অখন লৈত্রবা খলগী পোৎলুম কয়া মহাক্কী মথক্তা মরোল মরোল নম্ববা হৌরকই।

মতমদু অঙম ড়ুমথত্রি মচানুপী কদিনা কপলিবদো মহাক তাদবরা ? তাদবা নত্তে, অদুবু করিমতা হায়রমদে ড়ুম্মীন্না অদুম লৈরম্মী।

মতমদো অহিং য়াম্না থেংলে।

"মথংগী অগুক্কী"

হুমিংতুদি থুঙ্গ'দু মহৌশাগা ইমালমক মান্নখিদরে নোং-ঙালবদগী হুমিংতাবা ফাওবা শুবা নোম্বতনা মথৌ ওইরবা পোথাবা মশক খ ন্দ্রবা থুঙ্গংদু অয়ুক্তগী হৌনা মপাল থোক্লখি-দরে পুমচিক চিকখ্রে হুংশা ফনা কন্না হাযগৎলক্লে।

থুলগী মী পুম্নমক থুল্লাকপগী যুমদা অনমম অনি-নি লাক্কুনা থুল্লাকপগী মাঙ্গোলদু মীনা পিক থনখ্রে। থুলগী য়াইতোং খমদোংবা পুম্নমক মাগী মাগী মফমদা ফম্নখ্রে। মী পুম্নমক শুনা তিল্লবদা থুল্লাকপনা মীযামগী মফমদা লাওথোক্লে—

মীগী লম্বীদা লাং থাকচিল্লীবা মবুক ফত্রবা শাগুম্বা মহাক অদু মশানা থংনা থোরক্কুনা ইতাও অ[illegible] মঙ্গং ওঝা শাস্তী-বুমারগী মফমদা লাল্লে হায়দুনা [illegible] ইতাও অঙম

অমসু' ওঝা শান্তীকুমারনা মরাল অদু ঙাকপীরবদি মহাক অদুগী মরাইবক ফবা ওইগনি। অদুগা মশানা থ না থোরক্তরাদি মাংলে মকোকশিংনা থিগৎলগা ওপি মঙা ইরোই অমা যু থরুং নিপাল কোংহল্লগা থুল অসিদগী তানথোক্কনি" অদুবু মশানা থংনা কনা অমতা থোরক্তে। ময়াম তিন্নবদু ওঝা শান্তীকুমারসু য়াওরম্মী কনা অমতনা লাং থাকচিল্লীবা মীশক্তু পুথোকপা ঙম্নদ্রবদা মপুক্নীং অসুক্কী মতিক মুংশিনা তপ্না চৌগৎলগা হায়রকই—

থুল পুম্নমক তাবিযু, ঐনা করি ইরাল লংজখিদুনা, ঐবু অসুক শাথিনা লারবা পাম্বীরিবনো, ঐবু নচা ওইনা থদ্রবরা? ঐবু ননাও ওইনা নত্রগা নয়াম্বা ওইনা থনবীদ্রবরা? হায়বীয়ু ঐবু নখোয়গী নবুং ওইনা নত্রগা নৌপাবা ওইনা থনবীদ্রিবা করিগীনো? ঐনদি নখোয়বু ইপা-ইমা, ইচিল-ইনাও, মরুপ-মপাং ওইনা থল্লী অচুম্বমক থুল অসিদা লৈরিবা মুপী পুম্নমকপু ইচে নত্রগা ইচল অমগুমনা থল্লী চুমনা থনবতা নত্তনা ঐদি নখোয়বু য়ামনা মুংশি, নখোয় থুল পুমনমক্কীদমক্তা মহুৎ শিন্দুনা ঐ থৱাই থাখিবা ফাওবা ঙমগনি, করিগীদমক্তা ঐবু মুংশিদ্রিবনো? ঐবু নখোয়না য়েংথিবগী মরম অদো করিনো ঐশে নখোয়গী য়েরুবা নত্তে, জঙ্গলদা লৈবা শা নত্তে, মীনি নখোয়গুমবা মী. করিগীদমক্তা শা-ঙাগী মফমদা থাক্কদবা লাংবু ঐগী মফমদা থাকচিল্লীবনো" ?

ময়াম মমাংদুদা পুক্নীং অসুকী মতিক মুংশিনা হিক হিক কপলক্লে, মহাক্কী মতৌদু উরগা মাঙ্গোল মচিদা ফমলিব। ..

শিংহু তুম্মীন তুম্মীন শুং শুং কপ্পবক্লে। অহল মতম ওইরবা খুলগী মচিল চংপশিংহু ফাওবা মপি ইরা চেন্নরক্লে।

কদিনা হৌগংলগা শান্তীকুমারবু ময়ুমলোমদা চিংহুনা পুখ্রে খুল পুমনমক মথোযনা চংখিবহু যেংহুনা লৈহৌই।

ময়াম পুমনমক লাং থাকচিল্লিবা মীশকতু পুথোকপা ঙম্মদবে, ফনা কুইনা থম্মহুনসু করিগুমবা কান্নবা অমতা পুরকপা ঙমদবে, মমৈথংদা উপাই লৈত্রহুনা ময়াম তিন্নবদু লোয়শিনবা তারল্লবদা খুল্লাকপনা অঙমদা হায়রকই—

"ইতাও! হুজিক ইতাওনা কবি পামলিবা ইতাওগী অপাম্বদুসু ময়ামদা থংহল্লুদনা", অঙম নিংবা কায়রবা মাইথোংদুদা থরদং মোমোননরকই য়াম্না চিংশেন্না হায়রকই—"ইতাও! ঐনা করি অমুক হায়রুনি, খুলগী বায়েল লোইশংনা মরাল লৈবা মীশক পুথোকপা ঙমদবসি হন্দক্কীসিনা অহানবা ওইরমগনিনে" খুল্লাক পা মরু লুকথখ্রে মপুকনিংদা কনিগুম্বা থবদং থল্লী অহুবু চিন্নাশথোকদা হায়দোকপদি ঙমখিদরে খুলগী বায়েল মকোকশিংহুসু তুম্বীন তুম্মীন লৈনখ্রে। ভাইহাক লৈরগা অঙমনা অমুক মখা তারকই—মীনা বায়েলবা ঙমদ্রবদি লাইনা বায়েলহনবা হাযবসে মহৌশাদগী চংনবী ওইরক্কবরা, খুলগী বায়েল মকোকশা নথোযসু করিগী থংশিন্নদে" অঙম অশাওবগী ইপাক্তা মশা পুমবা লুপশিনখ্রে, অশাওবহু লোংশিননবা হোংনরবসু মহাক্কী হকচাং পুম্নমক্কি থক থক নিকখ্রে।

খুল্লাকপনা কয়েম্নবগী মীনোক অমা নোক্লদুনা হায়রকই

"ইভাও! নংগী পিকথ্রবা থবক্তুদা অহুক লুবা বায়েলক্তু চৎথবা তারগদি ইভাওদি লাই ওইরেনে"।

অঙম মমিৎ-মনা য়ুংখৎলকই খুদক্তা খুল্লাকপবু ওদৎতুনা হাৎলসিরা থল্লকই, হৌরক্লিবা অশাওবগা নো লৈ-মুংশিংতু মথা চিক্তুনা ফাথনবা হোৎনরকই বা অমতা ঙা'লমদনা মকমতু থাদোক-তুনা থুনা চৎথি, খুলগী মীয়াম অমসুং খুল্লাকপা বায়েল লোইশংগী লুচিংবশিং অঙম্বু মীৎয়েং অমতদা যে'তুনা লৈহোই। অঙম ময়ুম য়োরগা তুমীয়া মরু লুকথতুনা থল্লী মখোয়গী খুলগী বায়েল মক্লোকশিংনা মমাংঙৈ লাই হাক্তকগী হৌনা চৎনরক্লবা বায়েলক্তু মাগী হাথলদা নিংশিংলকই, খুলগী মী পুমনমক লোইনা লেপ-হল্লগা খুলগী থাইদগী অহুল ওইরবা অহুল অমনা মমিৎ পুনশিল্লগা লেপলিবা মীয়ামতুগী মাইকৈদা চংশিল্লগা অহানবা পায়কবা মীশক্তু মরাল্ল লৈবা মীশক্লী থংনরম্মী, হায়রিবা মওংসি চুমম্ম চুমলম্মী অত্তুবু ওসি খুল্লাকপনা মঙ্গোন্দা করেম কথাইনরকথিবদো থল্লরগা কুপনিংলকই। ওসিগী মী অমম্তা চিংথবা য়াত্রবা খুল তিগ্রক্কুদা খুল্লাকপগী মচা লোংকাক্কিউ মশক উখিদে ইমুংদা চংলগা লুখুমদা ফ্রিনা য়োমহুনা থমগ্রবা তাবাক্তু পুথোক্রগা মুম্মা য়েই মথা চিকই মীৎলুদগী তারক্রপা পিগী লিক্রা অম্মা অনিদং লুলব তাবাক্কুদা তপ্প তপ তাথি।

* * *

"খোংথাং তরেৎ"

"থা অনিরোমগী মতুংহন্দি"

মো'জু থা লোয়খিহ্না নিংথম থা চংগুকপা হোয়ে, অতিয়াদা অমুবা নোং মপৈ মপৈ মতম পুম্নমকতা পাইহ্না লৈরম্বহু নিংথম-থাগী লৈচিল ওন্থোকখিহ্না অতিয়াগী অশেংবা মশকতু ময়েক শেংনা উবা ফংলে।

মহৌশানা নিংথম থা চংলক্লবদি উ-বা চীং-মাল অশংবা লৌবুক-লমহাং লোইনমক হুংগুক হুংজানবগুম তৌই, করিগীমু হুংগুক হুংজানরোই তমথিরবা বাকচিং উললেম্না ময়া কাথোক্লুনা চংশিল্লক্লবদা বসন্ত ঋতুনা লাকত্রি ফাওব'দ উ বা নাপী শিংবী হৈং লৈ পুম্নমক্কী অবাবা মতমনি। অরিবা মনা কেনখিহ্না অনৌবা য়েনিং হুম্নবগীদমক বসন্ত ঋতুবু খোরাংনা শাইজবা মতমনি। চীং-মাল লৌবুক-লমহাং ইশং শংলম্বদগী নিংথম লাকপদা মশা তাইফেৎ তাই নাপু মচু মানশিল্লক্লবা; লৈকোন্দা লৈরাং শাংথি-জবা, অথাপ্পা চীংমায়গী পামলৌশিংদা ইশং শংলম্বা পামলৌশিংনা সনা মচু ওন্থোকপ্রবা মতমসিদা মখাল থুমলগী মথক্তা থজিক্তুং কাথংলগা অশুকপা উমংহুগী মনাক্তা লৈতেম মাম্নবা ফৌদেম অমা লৈ, হায়রিবা ফৌদেমহুদা য়াম্না ফজবা লৈ অমা শাংলি, লৈ অসিগী মমিং মখোয়গী মরোন্দা 'ডাইপেল' কৌই হায়রিবা লৈ অসি লম্পাক মচাহুদা নত্তনা অতৈ মফম অমদা শাংতে, লৈহুগী মপাম্বীহু তখেল্লেগুম্না তৌই অহুগা লৈশকতি মাম্নদে পিক্তক পিক্তক চরোং

চয়োং ইত্তৌ ঙৌনা শালি, হায়রিবা লৈ মসি নিংথম থা নত্তুনা অতৈ মত্তমদা শাংত্তে বসন্ত ঋতুদদি য়েংনিং ফাওবা হুনদে। অদুগা হায়রিবা লৈতেম মাননবা লম্পাক মচাদুদা হায়রিবা লৈ মখলসি নত্তুনা অত্তোপ্পা উ অমত্তা ছোদে, লম্পাক মচাদুগী অকোয়বদুদি ইশোং শো ই মরুওইনা মথকলোম থ বদুদি চাওর চাওরবা উ ভাক্তা অরোই অথম লৈত্তনা হৌখ্রি। ৱাকচিং ঊললেননা ইঙৌ ঙৌনা তারবা অয়ুক্তা লৈরাংদুনা লৈকা ফননা শাংচবদি করি অমুক হায়রুনি পুক্নিংদা থল্লী ৱাকচিং উল্লেনগী চাননবীরা তাইপেল লৈরাংশি বু, উল্লেনগী মুংশিংনা য়ৈবদা লৈকা ফননা শাংচবী বসন্ত ঋতুদা য়েনিং হুন্দবী নংগুম্বী লৈরাং অমা পৃথিবীসিদা লৈরমখিগদরা ?

"নোংমগী থাবল ফরবা অহিংনি"

থুন্দু ইচিক চিকখ্রে, অথাপ্পা পোইরৈ তম্পাকস্থ মশেন মরাং লৈচিল কৈজুপ মুংদা তুম্নখ্রে মরক মরক্তা মুশি মুশিবা মৈঙাল অমা অনিস্থ থাপ্পা উরি লৈচিলগী অঙৌবা মরকতুদা মশেন মরাং মৈঙাল অমা অনি উবা থাবলগী মঙাল তথক তথকহনবা পুম্নমকতু উরগা থুনগী মথা থংবদা লৈবা চীংদোংদুদা উচান পাম্বী অমগী মখোংদা লেপতুনা পোইরৈ তম্পাক য়েংলিবা পাখণ্ড অমগী পুক্লীংদা থল্লী ঈশিংনা মপাল নাইত্রবা পাক্লবা ঈপাক্ত: মাইগৈ থংদ্রবা হিহোনবশিংনা মুৎলি মুৎলি থাওই মচা অমমমগা লম্মুক্লরবগুম * * * *।

থেংলবা অহিংদা চীংথক্তা থাবল ফবা উরগা পক্নী মুংশিংরোয়দবা মী অতাংবনি। ৱাংলবা চীংথক্তুদা অশুকপা উমং-

বামঙনা কোয়শিল্লবা লৈতে শান্নরবা থেন্দুদা লোৎতুনা লৈরিবা লেঙমায় খুন্দু থাবলগী ইপোমদা ওনিক ওনিক লৈচিল কৈজুপ ফুংদা তুম্লখ্রে।

অহুবু ইংলবা থাবলহুনা থম্মোয় মথুম মরাং হৌহল্লবা মথোক কারক্লাব থঃহুদি উচান পাম্বীতগী মথোঙদা অহুম্মক ফুঙনা শাবা মুত্তিগুম লেপতুনা লৈরি।

মতমহুমক্তুদা সগী মতাই ওইরপ্লা লৈবা য়ুম অময়ুক্কুগী কনাগুম্বী হুক্তা অমথক তপ্না তপ্না মপাল থোরক্লগা থাবলগী মঙালহুদা মকম মক্ষম খুদিং কোয়চৎ চৎতুনা করিগুম্বা অমা থিরগী মওদা কোইযেং কোইয়েং য়েংলি ঙাইহাক অমুক লৈরগা থিবা ফংদ্রেমাননে খুলগী মথাথংবদা লৈবা চীংদোংহু তম্না চৎখ্রে, য়াম্না খুৎলৈ থুনা চীংদোংহুগী মথক য়ৌনা কাখৎখরে, অহানবমক্তদা উক্তে থাপক্লবা উচান পাম্বী অমগী মথোঙদা কনাগুম্বা অমা লেপতুনা লৈরে থাবলগী মঙালহুদা হুজাহুগী মাইথোংহু ময়েক শেংনা উদ্রবস্নু, কুন্দো পরেংগুম নিংথিরবা মহাক্কী য়াতোনশিনু উৎতুনা য়াম্না নিংথিজব মীনোক অমা নোকখ্রে হায়বসিমদি মশেন মরাং ডেংহারে হুঙাঠ তুম্মীন্না নাশোল পিক্লা পিক্লা চংশিনখিহুনা পাখঙদুনা লেপ্লিবা উচাল পাম্বীদুগী তুংওইরপ্লা হোবা উচাল পাম্বী অমগী মথোংদা তুম্মীন্না ফমথখরে!

মতমহুদা পাখঙহুদি হোৗব্রা পুন্সীগী পাক্লবা লমহাংশিদা কাখলগা মক্লুপ খাহুনা কোইচং চংশুদি * * নোংমতং মহাক্লা থেনা কাকথকা তুম্বা য়াজদবী মহাক্কী অহল ওইরবী মখানা নকুল

তুরেলগী মপালদা চাওরবা য়ুমছুগী মহুংদা কয়া বান্না মহাক হল্লকপতবু ঙাইরমগদবছু খ.নুরগা ইংলবা নিংথমগী অহিংছুদা কোঙ কোঙ শারবা পিগী মরিক থরদং মথাক্কী খজাইছুদা মরি মরি চেম্বরক্লে, থাবলগী মপুং ফারবা মঙান্দুনা য়েশিল্লকপদা মুক্তা পরেং তৎতুনা ঙারকপগুম ইরং ইরং ল'না উরি।

ইংলবা উনগী হুংশিংনা বাংলবা চীংদোন্দুদা মনিং তম্না শিংলি। মনা পুংলবা উচাল মনাশিংদদা হু'শিংনা ছুমজিল-লকপদা হুংশিরবা মখোল অমা থোক্লী মতমদমক্তদা পাখঙদ মফমদ থাদোক্ত্তনা পিক্লবা খোঙলম্বী অমা থুল অমা তম্না চৎথিবা অদগী মতুং ইন্না তপনা তপনা কুমথক্রে, ঙসাইমথৈ উচাল মখোঙদা ফমছুনা পাখঙছুগী মতৌ য়েংলমলিবী হুজাছু পাখঙছুনা চৎপ্রবদা তপ্না তপ্না পাখঙদগী মতুং ইন্নখ্রে।

পাখঙদদি থুন্দু ফাওদোক্ত্তনা পিক্লবা খোঙলম্বী অমা থুলগী মথক্তা লৈবা অশুকপা উম'দ যৌনা চৎখ্রিবা অদগী মতুং ইন্নদনা খোঙথাং লেপখিদ্রে। পাখঙদগী নতুং ইন্নরীবী হুজাদসু চিংনবা অমগা লোয়ননা থুৎলৈথুনা পাখঙদগী মতুং ইন্নখ্রে।

অশুকপা উমংদগী মনাক্তা লৈতেম মান্নবা ফোদেম অমা লৈরিবদ অমুকপা উমঙ-হ্লামঙ মনাক ওইবনা থাবলগী মঙাল মপুং ফানা ফ'লমদরি, অদবু উরক উরি-বারি মরক্তগী ফাও-জিল্লকপা থাবলগী মঙালনা শহু-শহু হোনদনা শাংলিবা ডাই-পেল লৈরা'বু ছুরাল ছুরাল য়েংলকপগুম তৌরি।

"পাখঙদ মফম অদদা থুংখ্রে"।

ইংলবা নিংথম থাগী অহিংদ্দা থাবল মঙালনা য়োঙমন্নবা মমগুরুববা ডাইপেলগী লৈকোন্দুদা প্নমঙৌ ঙৌনা শাৎলমল্লিবা লৈবংশিংদ, উরগা পাখঙদগী পুক্রীংদা মঙল মঙল থল্লকই, ইংলবা নিংথমগী অহিং ওইবনিনা পাইবীরক্ত মাগ্নে চীংজাও খোইমু অমতমু, লৈকা ফন্না শাৎলিবা লৈরাংশিংগী লৈকাদা ঙংলবা উদ্রে খোইমু খোইবাবা, লম্পাক মচাতু থুংনা লৈরাং-শিংগী মরক্তদা কোযচং চৎলকই। অতিযাদা থোক্লীবা থাজমু পাখঙতুগী মতৌ যেংনি ঙতুনা তপনা তপনা থাংখংলকলে লম-পাক মচাতুগী মফম থরদদি থাবলগী মঙাল মপুং ফানা ফংলক্লে, পাখঙদগী মতৌদ মনা পুংবা উশা অমগী মরুমদা তুম্মীন্না লেপ্লদনা য়েংলি গুজাদদি।

মতম অসিমক্তদা থদা'চৎ লাকপা ফিমু শেৎপা মথুৎতা খুৎলাই পায়বা মী তরুকথক অমুকপা উমংদগী তপ্পা তপ্পা কুমথ-রক্লগা থুন্দুগী মতাই ওইরপ্পা লৈবা উপাক্লা থাবা, উপাক্লা ফম্বাক হাবা যুম অমদা চংশিনখ্রে।

"যুমতু অতৈগী নত্তে কদিবিয়া নিউগী যুমনি"

হুমিংতু কদিগী মপা অঙমদি অতোপ্পা খুল অমদা থুল্লানবা চৎথি, খুদোং চাবশি লৌতুনা কো'কাকিউনা কদিবু ফাননবগীদমক্তা মহাক্তী অরোনবা পাটি পুতুনা লাকপনি।

মাঙ্গোলদা কুল্লীবা হুইনাও মচাতুনা মকম্থি থোক্লা থোংলকই অতুবু অনিরক হন্না খো থিদার মাঙ্গোলগী মতাইদা ইরেক লেকথ-তুনা লৈখ্রে।

থো'ছু খজিক্তং ইল্লুবদা মতোমতা হা'দোকচখার. মতমদু ইমুঙগী থাওমৈ মুৎখিরমলে, ফক্লাং ময়াবাইদা উক্রো' ময়াম ওমুশিন্দুনা ইঙাং ঙাংনা লৈরিবা মৈদুগী মঙালনা ইমুংদুদা খজিক খজিক ঙানফুং তৌরি।

মথং মথং থিরকই অহানবমক্তদা লৈ' চাশিউনা কদিগী তুমকম তম্না চংশিল্লকই টোর্চলাইট কাপশিল্লী অতন ফমুদদদি কনাসু তুম্মমদরে, মথ'দা শান্তাকুমারগী ফমুংদসু কনাস লৈরম-দরে ইমুঙগী মকম থুদিং থুংনা থিরে কনাসু ফংদরে মখোয়না তৌরিবহু ফরাংদা থেৎলিবা যীশুগী শক্তম অদুতনদি নোকমী নোকমী য়েংবগুম তৌরি।

য়াম্না থুনা মপাল থোকখরে খুলগী মফম থুদিং চায়থোক্তুনা কোয়থি থিরে থিবা ফংদরে, মফম কদায়দা চংগ্রবমো খল্লুবদা অঙকপা তম' ওইরে। লোংকাকিউনা খল্লকই মখোয়গী থোরাংশি হান্নবা থবদগী লোংখিরম্ব ওইরম্বসু য়াই, খুলগী অকোয়বদা অশুকপা উমংশিংহুদা কোয়থি থিরক্লে, মথং মথং অসুম থিরকপদগী ডাইপেলগী লৈকোল য়ৌশিল্লক্লে মতম অসিমক্তদা ঙসাইদগী পাথঙহুগী মতৌ য়েংলিবী হুজাহুনা ফিমু শেৎপা থরা ডাইপেলগী লৈকোল তম্না চংশিল্লকপহু উরে। পাথৎপা অমসুং অকিবগা লোয়ননা অক্লিং অফায় ওইনা ডাইপেল মরক্তা লেপ্লিবা পাথঙহুগী মনাক তম্না চেনশিনখ্রে, ইথঙ খঙহৌদনা কনাগুম্বী অমা মহাক তম্না চেনশিল্লকপহু উবদা পাথঙহু থংবোই করিবোই কনানো মহাক্কী চিম্বান্দু হেক কাথোরকই অহুবু কাথোরকইবা চিম্বান্দু

উমশিন্দ্রিবৈদা লৈশাহুগী নোরবা খুৎশাশিংদ্না মহাক্কী চিম্বান্দা মেনশিনখ্রে, অমসুং শঙ্গু শঙ্গু হৌরিবা ডাইপেল লৈরাংশিংদ্গী মরক্তা অশ বা নাপীনা কুপলবা লৈতেম মান্নবা অহাংবা লম মচেৎ মচেৎ লৈরিবদ্গী মরকতা খুৎলৈ থুনা ফমথখরে।

মতমতুমকতদা ফিমু শেৎপশি হু লৈকোন্দু য়োরক্লে নোংমদোলদা থোক্লীবা থাজনা শাবী শানৌ অনিহুগী মতোহুদা মীপাইরহুনা লৈচিল মরকতা লোৎখরে, থবানমীচাক্কী শঙ্গুনা করি থোক্লগদগে থল্লুবদা তনিক তনিক লেংবগুম ই তৌরি। মফম মফম খুদিং কোয়না চৎলুরবা মতুংদা থিবা ফংদ্রহুনা মথোয় তরুকমক ডাইপেলগী লৈকোন্দুদা পুল্লরে, নিংবা কায়রবা লোংকাকিউনা শাওবনা মশা পুম্বা থক থক নিক্লদ্না হায়রকই—

"মথোগনা ঙমলগা লোৎশঙ্গু হল্লকত্রিফাওবা ঙাইগনি, চৎসি মথোয়গী য়ুমগী মনাকতা লুমদ্না লৈরুশি"

মথুৎনা পায়রকপা থাংপাকশিংহুনা নিংতম্না শাৎচরীবি ডাইপেল পাম্বী মঙা তরুক থবৎ থবৎ ককথৎলমলগা মফমহুদগী থুনা চৎনখরে। উপায় লৈজদ্রবী লৈরাংশিংহু লৈমায়থক্তা ওম্না থোইনা থাংহৌরে।

শাবী শানৌ অনিহু ফজ্রবা মীওইশিংহু চৎথ্রবদা অশ বা নাপি মথক্তা নে-তানা ফমথরে, অহুবু অবাবদি নোং ঙাস্ত্রিফাওবদি মযুমদা হঞ্জিনবা য়াররোই, লাইবক থিবনিবু হায়সিরা নত্রগা লাইবক ফবনিবু হায়গদ্রা ?

করিনো বা খরা মশেন মরাং ঙাংনথিবা তাই, বা কম্না

ভাংনবা কাওবা ভমখিদরে, কিবনা মথোয় অনিমক মথোল নিকথরে।

ভসাইমথৈ লৈচিল মরক্তা লোংলুরবা থাজস্ন শাবী শানৌ অনিগী মতৌঙ্গু য়েংনিংঙ্গুনা মপুং ফানা মঙাল পিরক্রে, ডাইপেল লৈকোন্দু হুজিক্তি মপুং ফানা থাবলগী মঙাল ফংলে, থাবলগী মঙাল মরক্তা ডাংগপেল লৈরাংশিংনা পুমঙৌ ঙৌনা শাংপা, অমসুং লৈরাংশিংঙুগী মরক্তা শাবী শানৌ অনিনা নাপ্প চিক্না রাতানবা অহিংঙুগী দৃশ্য অদো কয়া নিংথিথ্রবা।

পাখঙঙু লিক্লানা চোংলবা অশংবা নাপি মথক্তা হিপথথ্রে লৈশাঙুস্ন পাখঙঙুগী মথক্তা ঙাথথ্রে। অঙকপনি নক্লবা হায়বসিদগী হেন্না কনবা শক্তি অমা থিবা ফংলরোই।

লুহোংবা হুমিংকী অহিং, ডাইপল লৈকোনগী অহিং * * থেংনবা লৈরমখিগদরা?

অহিংঙুগী মমল য়ামলবা থৌদোক বারিদো তাবা পামলবদি লৈকোন্দা শাংলিবা ডাইপেল লৈরাংশিং অমসুং অতিয়াদা থোক্লিবা থা থবানমিচাকশিং মথোয়দি অমত্তা চিংথদনা উহোই * * * * * * * মথোয়দা হংবীয়ু।

অহিংগী নাম্মীবা মলয়া শিংথিদে লৈকোন্দুদা, ইকাইঙ্গু জরঙুনা * * * *!

অহিংঙু কয়া তেনথ্রবা। লৈকোন্দা অহিং চুপ্পা লেনমীনখিবা শাবী শানৌ অনিদো অতৈ কনাস্ন নত্তে হায়বসে রারী তাবীরিবং শিংনা হেন্না খংবীরম্নগনি।

[illegible] য়াম্না হুংঙাইনা পাথবিরক্লি, মতাংসি[illegible] [illegible]
[illegible] নিংশিংজরি ঙাকশিক্ষম থোক্ত্রবা [illegible]
[illegible]দনা ঙাকপিয়ুস্নু নিংশিংজরি। মরমদি অ[illegible] [illegible]তমদা
বা প্রেস কয়াদা চাইনা-চাইনা নমখিবনা পেজগী মত[illegible] থরদং
. . . .লৈথ্রে, ঝারিদি কায়বা লৈজদে অ[illegible] ঝাক্ষম
অমনা পেজ ৮৮গী "থবদার" হায়বা ঝাহৈ অসি[illegible] অহানবদা
"রুকজাও" হায়রম্বদগী ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা ওঝা
শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহগী মৎ মতুং ইন্না ওন্থোকচরে অতৈ
মকম থরদম্নু হান্নদগী কজথৎপা মওংদা শেমদোকচরে। পারিবা
পুম্নমক্না মসিগীদমক ঙাকপিগনি।

অকোংবা—

"খোংথাং নিপাল"

"নোং ঙাল্লকলে"

মতমত্তু ফাওবা লোংকাকিউগী কাংবুনা কপ্পি অমসুং ঙবা শান্তিকুমারগী হললকপা ঙাইরি, পুম্নমক নিংবা কায়রবদা লোংকা-কিউনা অঙোম্বা বাথল অমা অমুক থনবা হোৌরক্লে, করিগী মপা অচৌবা হেক হললকপগা, ঙবা শান্তীকুমারনা কদিম্বু থেমত্তুনা পুখোক্লগা লুহোংপ্রিবা নুপীগী চৈজং মাংখ্নলে, অদুগা চুপ্পা মখোয়গী অজললা লৈকাই হায়রিবা অমগা শান্তিকুমারবু ঙাম-খোকখিবা মবুক্তা লেপ্লে ।

মকমত্তুদগী চৎপ্রগা অমুক্তা চাগনব থক্কনবা পুম্নামক লোয়-খোম্লগা অংঙম হললকপবা লম্বীদা ঙাইরিনা লৈলে ।

লিক্লাবা চোৎলবা শাবী শামৌ অমিত্তু ইংলব অমুক্তা কোরৌ মঙাল্লক্লা মথুম খৌবকখি অকনবমক্কুদা থেংনরে, মাঙোল কাংলম্ব থপুনিংলংবা কুই অহু ঈরিং নাপিং শাঙনা মশাগী মপৌ হারবা হোংলবদা মথবাহ লানখিরমলে কুইহুগী মতৌ ঊবগা শান্তীকুমার অমসুং নদিগী মাংলুনাপিবাং ভপনা ভপনা ঈকৌরকখি । কুংশা কনা মাম্লা হায়গংলকলে, অদুগা লাইরেম্বীনা ঙুনা শিংবা নাপীমরক চাইথ ইরমা মনি মুক্তাশিং কোরৌ মঙালনা হৈরবদা ইরুং ইৎ লচ, ভনিক ভনিক মপেক মঙাল কাওরম্মু ভপন ভপনা মাংথরে ।

খুম অতিমহুন নংখা শুন্দা থাওরোম বোরদুনা চৈং- [illegible] লিকুন্না লোংকংগী অমদা অহুম তপনা তপনা [illegible], [illegible] খুম কোংশবা চৈংগী অমা বাহলি চৈংকোন্ডুগী অমাই- [illegible] মরাক্তা চাংলি ঊদুং পান্ডী অমা কৌবা [illegible] মতোংদা লোংকাকিউ অমসুং লোকমাং কয়ুনা অহুম [illegible] হৌই।

অদুগা [illegible] মৈনুরবা লোংকাকিউবা লৌগৎলগা—

“[illegible]”

অদু [illegible] লোংকাকিউ [illegible] হায়রকই—

“[illegible]”

লোংকাকিউবা [illegible] বখিজং [illegible] হায়রকই—

“[illegible] পুক্কী [illegible] [illegible] লৌখ্রে।”

[illegible] হায়রকই—

“লোংকাকিউ : [illegible] পুক্কী [illegible] মাংগনি বরি [illegible]”

লোংকাকিউবা [illegible] উমিৎ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বখিজং [illegible] হায়রকই—

"[illegible] [illegible] করিগী থংশিজনি, মীচৈ মচাদুনা পুরোংজিবা [illegible] শগী তৈশাংদু [illegible] খুমাংবা হংশিন্নিহৈ, অহিং চুপ্পা [illegible] পুখোক্লগা ই[illegible]ং মাংহনগে শিনবনে"

অতোম মমাংই খজিংদুং তাংশিন্নী শাওনিংবনা মশাদু ভনিক [illegible]

"লৈরোংকিজী! বা [illegible] কনাই কাওবা চুপ্পা, নাহবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খজিক [illegible] কাংশিন্তুনা থাংউ, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হৌবা যাপনি থনগদু"

লৈরোংকিজীনা [illegible] [illegible] হল্লদনা হায়রকই—

"[illegible] অচুম্বা [illegible] করিগী মপুক ফাবিগনি অহুপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থাজত্রবদু নচা নুপীমচা [illegible]"

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোকমাংনা লৈরোংকিজী [illegible] [illegible] হায়রকই—

"[illegible] [illegible] [illegible] অহিং চুপনা নচা নুপী তৈশাহৈবু, [illegible] [illegible] চাওখত্তুনা [illegible] হৌবগা ইচ্ছেং মাংহনবা [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] মীচৈ মচাদু ভাবোকখিবনা [illegible] [illegible]"

অতোম বা [illegible] পুক্নীং খঙকই মখোয়গী জাতিগী [illegible] [illegible] থাংবদা মচা নুপীমা তৈবা ভাববদি মবাক্তা [illegible] [illegible] খুদুংলকই মখোয়গী জাতিগীদি পুরোংজিনা নুপিনা ইচ্ছেং মাংবা য়াবা থবক অমা লেক হৌরগদা

মহাক অদো থুন্নী তাদোকখবনি । মখুক হত্রবা লোংকাকিউ-দা খুন তাকতুনা থেক তিন্নখিবদা হায়রিবা দশাদু তারোইং-দবনী মরম ওৈদতে হাথনগী পাক্তবা মরুভূমিদা লম্ খুম্মখলগা খুন তন্না অমুকী মতিক থূটেল থুনা চংখরে ।

লোংকাকিউ অমসুং থোক্তনা উমুং মখোংচুদা মকা লাক্লবা থাইরোহুলগা কদম্ব পেরবগী মীনোক অমমম মোক্কুছনা ওৈরেরৌরে।

অহিং চুপ্পা অইংবা মরক্তা লেম্বূগী মশাহ্রু মিংথম চেরুতনা শান্তীকুমার কয়ূংদা ওৈকত্তুন অৱৈবা মটৈ মনুহতুনা কিপাকদ কহিরিয়াংবিউদি কহিক তোংদ, ওৈমুংগী থথক ওৈরগাং ত মডুনা অতুমমক ওৈল। অতুথংপু মংখায় অনিমক্তী থংম্মোয়দি অতক্তী মতিক মথৌ চিন্নখরে। পুন্সী কসন্তুদা খাইদগী কেয়া মমল যাম্নবা চহাং অহিংগী থোংবাকুমা মখোয় অনিমক্তী থম্মোয়দ মড পুৱা তাংজ লিনগী মঙোম্ম চিকপা থৌরকদে। অমরোমদা শান্তী কুমারদগী কহিদিয়াংমিউনা থেক্কা হকচিন্না থলম্মি মহমদি মখোয় অনিমক্তী মাংদা থংলিবা লাং তিনবগী চাংবনা পন্দূব মুংশি-বগী পিক্কব ওৈচেন্দুনা কমথাইতুনা চেনখা ওাংগনি হায়রগে মহাক্তী হাথনদা থাক্তবা চমলম দ অমুবু থম্মোয়গী কাচিন কোয়া থুনো চিকপ্রবা মুংশিবা কাম্বদ তিন্দূনা মহক্তী হাথনদু থম্বগী হাংবদা তন্নুনা লম্ খুম্মবন্তুম তৌরম্মী ।

মাঙ্গোলদা ভিংদুনা নৈরিবা লোইশিন্দ্রিব. নিঙ্কোলগী চহৈর কিন্নু লোয়শিনগে খন নিঙ্গোল শিন্ন্ পাক্লকে. অদুবু নিঙোল শিন্মা শিনপাংদবে পুরীংদা খল্লকই লোংকা ফিউনা লোথ-হক্লীবা খবকশিংসদা হেন্না অকবা ওই-কনি হায়বদি থাজবা ঙম্মক্তে. মীওইবা কনবা তৌবদি বাই অদুগা ফজুনবা তৌবদি মতুঙগী হেন্না লাইবা অমা নৈত্রে। মশামক্না শাদ্বিবা চহৈর কিন্নুদা য়েংদুনা খল্লকই; কি অম ওইরক্লবা হেৎনবদা চংলিবা মতম, নৈত্রেখনদগী লপু অমুক নৈরনি, লংচাক অমুক চাকনি অদুদগী কি অমুক তৌবা, শাবদা মুমিং কয়ানি অমা, কয়া য়াওবা! অদুবু ফজুনবা তৌগে হায়রবদি কাক্তি অমনা নক্লগা নৈখেৎ ম্ক ক্লমনা মীকুপ অমদা হেক্তা লোইশিনবা য়াই। মদুগা চপ মনৈ, মুমিং কয়া থা বয় না শাগৎচরকপা মুংশিবগী ফুরা মীকুপ অমগী মমুংদা কনক য়েংখিবগী মোংনৈ মুংশিৎনা হুম-জোকখিদুনা, নিংবা কায়বগী ঈরোলমুংদা মুপখিরোই করম খাজগনি।

"কদি!"

রাখলগী অ য়াই অথম নৈরব শাগরদ ইরাংরিবৈ ত্রজকম শাহরুকপা কংবা য়াতৈগে। হন্না য়েংখৎখিবদা মঙ্গো অমা খাওরোক য়োক্লদুনা মপা অঙম য়হাক্তী মতুংদ লেপতুনা লয়মলো কনি ফুক হৌগৎলি চংশিন্দুনা মপাগী মখোয় লোগে তোই, অঙম্বা মতুংখক্তিং হন্দোকলগ লুমলবা খোনজেম্মা ঙংলদুনা হায়রকই " ঐবু শোকহু !"

সুগিং থুদিংগ মারক্তবা মপাগী মওংদু উবদা কদি ওকপগা থম থেংঙ্গে মপাগী মমাঙ্গা চংশিনবস্তু কিরদু তিনক তিনক য়েংঙ্গুনা লৈরে, অদুগ মচাগী মশকতু উরগা হায়দগী শকক চা কয়া হেনগংনা শাওনিংঙ্গে, মশা থক থক লিকঙ্গে।

"হায়মু ওমাং অহিং চুপনা তক্লদা চংতুনা ঐগী মাই চোপবনবা শিল্পীবদু ঐবু কঙিনি থাঁ' ব ওাংবা খোকখিদয়ে শাওনিংবনা হেনথিল্লকতুনা সুংশা থিনা তনিক তনিক লেপচরীবী মচা সুপীগী খোংশবা থজায়ত্রদা মক কী লুকওবা চ ওয়ব খুং চাওত্তুনা কয়ারক হয়া কুঁজনথরে উপায় লৈতত্রবী হ্যি চেনা-খোল থাংবা ওমত্রতুন মপাগী মখোংদা কোম্নুরে অদুবু শাওবনা পন্দোম লোমত্রব অঙম্না তোকপদি লাইবদু। খোঙপাক্লা শম্পুক্লা মতিক কয়া কাওথোরকপে হায়দোরকপদ খোংবানা য়ৈরে পান্দুনা কদি মকেংক কায়রে।

তাঙ্গাংমক্লদা শান্তিকুমার তুংমনগী লাংবনকপঞ্জ মীমপ থংখোক খোরকতুনা অহিং অফায় ওইনা চেনখোরকই খো জিল মপান্দ কদি মকোক কায়তুনা বাস্থুরবদু থেংনতুনা কোমথংলুরে।

মতৌদু উবদ অঙম অমুকা হেন্না শাওনিংঙ্গতুনা কথা চিংগা ওংলহনা হায়রকই " হায় মীতৈ মচা নংদু ঐগী ময়ুম থ দোক্তুনা চংখিগদবনি, নংপু ঐনা সুংশিতুনা থম রগা ঐগী ইচা অপংবীবু ইজ্জত মাংহনবা শিনখিবদু ঐ থওজোই থনবরা "

অংমগী মতৌ উবদা শান্তীকুমার ওকপা থমথেংঙ্গে, মাগী পুক্লিংদা থল্লকই, তরাং অহিংগী থোদোক্তু লোংকাকও।

মপা অহনপা লেরাল তুরাল তথশিল্পুম। শাওহন্নবা ওইরমগ'ন, অচুবু কাঁরমখা খংনবা শাবদুনা হনংজই –

“অপা ঐন, কবি তৌরমলবগে কবিশীদমক্তা অহ য়োনা শাওরীবনো” অণ্ডম্বা হেম্না খাওগংলহনা হায়রকই – 'কবিগী শাওতনি, মংনা যীগী মচা লেশাবু অইংথাগী ইংগ্রবা অহি চুপ্পা অতকপা জক্ত গী মহু দা পুহনা পুথ্রমা চৎপা নত্রা।”

মপাগী কল্লবা বাহৈত্ত তাবগা পান্তৌকুমাবগী তমাক্তা চৈ-নাথোল খংদবা কবিগিরমাংলিজগী খম্মোয়দা খাংজমদবগী চৈনা খোল অমা পিরকই, কবিগুম্বা খরা জাংগা খল তপনা তপনা হৌশংকে লোংনরকই। অদুবু শান্তৌকুম ওনা ফাঙ্জনা হংল্লে, তাইহাক রাজোংখি জ শান্তৌকুমগী মপি ঈরা চেন্নকই তাংক তনিক্রবা লোনজেলদ পিংজমদবনা খংবা খম্মোয়গী মপ ওহ শাওদমলকই –

“অপা! নং ঐবু খাতম্রবা! নংনা লেক লেকপা নচা ওইরম্লবদি ঐবু খাজরমগনিকো, হয়রে অংগী নফম, অমাং অহিংগী খোঁদোকপু লিরগে অদুবু রাজ্ঞি লিজ্রিবৈগী মম। দা খাজোল কাচিঙ্গ কৈহিবগে অমুক্ত য়েংখমু' রাজেশ হায়রগা ম লোল কাচিঙ্গ ঈহিং-মাহিং শাডুম কৈদিব হুইত্থবু খিল্লুনা তাকলকই অত্তম হুইত্থবু উবমক্তদা খোংদগী তেকম কাওবা তুচুংখিবা খংহৌদে মামা খ্রাংদগী নুংশিজবা হুইনা, হুইত্র পাইহুনা য়েংজুবগা মচা বাংগ্রব নোংদ ওম ছংলহুনা হায়রকই 'নুংশিরবা হুইনাংন্ত হাংগা নীতনানো” তকখংখংলে। শান্তৌকুমাবনা অমাং অহিংগী

মি'শংবদা তুচুংলগা ৱারিজ অমত্তা চিংবদন লিখরকলে। ৱারিম্তু তাংদা অমম তাইকাপ্তি মহাক্না শুমহৎকব মীশুম হপ লেপ্পুন। লৈরক্তে, থংবা মীংকুপতা ফিংম। ইমু দা চংখ্রে লুহুমদা তানিবা তাবাক্তু তাপ পাইরগা কিংনা থোরকই। মপাগী মরিং-তেলা থংলবা কদি মীকুপ মহুম থংনা মপাগী মখোঙ কে লমচুনা খোমজেল খোক্ত কপলকপ, কপনা কপনা হ য়রকই 'অপ! মতুক কক্রব মহাক্না মাইবীচুনা বখ্ৱ কাম্ন, অঙৌ অহুং এবু অম্তুম 'লেপচুনা থম্বী, শন্ন" অঙম মচাবু 'হনা য়েংলকই, মচগী মকোক্তুগী তাংলব ঈ চেস্বিব্দ উবগা থংখোয় কায়খ্রে, মখুংঙগী তবাকতু লংখোইখ্রে মচান কোনথংলগা থংখোয় শোক্লা নপ্লকপল মমানা পোকপগা ঈ মতুংদা হুংদোক্লমদগী মহাক্না অতুক্কী হতিক থানা য়োকচংকপনি। অচুম্বমক ব দশী মমাক্তু কদি পোকপদা শিখিবনি শিরমদ য়দা পোক্লবা অতোং অচু মুপীর মুপারা হংলম্মী অঙম মুপীনি হায়বদা পিৱীবা অতাংহুনা করোং চাওরগা মনা কায়বত্তা ইমবীমু মক্ত এইমা মহক্লা পামজবা নিপ গা লোয়মন লুহাংবিমু প ওয়েল্লম্মী, হৌখ্রবা পুন্সীগী নিংশম-জ্রব ইকিক সং নিংশিংলকপদ অংম মশ থক থক লিকখ্রে, থরায়লগী লেপ্র মুংশিজ্রী মুপীচুনা অয়ে ইবা পুংজাদ হায়রম্বা ব হৈত্ মখোইএইমা পংখোক গ থল্লকলে, মচাগী মকোক্তুগী চেস্ত-ক্রীবা ঈদ মথংনা হৈরে কপিরগা থম্মোয় শোক্লা হংলকই—

'হায়রু ইপ গী থেম্মা নংনা পামজবা কনানো. মহাক্তু-মক্লা নংগা ইপানা লুহে থোগান"

অদি যোযোল নোকলকলে, শান্তীকুমারদি মতৌহ্ থংলহুনা ইমুংদা চংল্লে। অতেম মচাগী মকমদা হন্না হন্না মহাকী পামজবা কনাবো হংলক্লবদা নিং থুংলবা ইকায় খুংশি য়াম্লবা কদিগী চিনবান্দগী অহুম্না হায়রকলে—

অপা ....। ওঝা শান্তী....কুমা....র" হায়রমলগা মকমহুদগী থুনা চেনখিগে তৌরকলে, মপানা চাইবো থাবদগী চেনখিবা তমদহুনা ইকায় খুংশি য়াম্লহুনা খোংবীনা লৈমায়দা তককুনা লৈল্লে, মচাগী মতৌহ্ চাইহাক য়েংলুরগা য়াম্না চিংলেম্ন হায়রকই—"অদি মাদি মীতৈনি, অহুমা মংবা হম্বা জাতিনি, মীতৈনা অপংবা চৌংবাবু ইতং তত্তনা মাংহনখিবগী বাব্রী নংস্থ তাক্লিবরা" অদি চায়থাক্তি পাওথুম পিবা তমখিল্লে অহবু ওঝা শান্তিকুমারবু থাজদবগী বাকমদি মতোন্দগী অস্তকী মতিক থাপখিরম্মী, মপাগী পুক্লিংবু পেনহম্নবা ইকায়বনা থল্লবা মীনোক অমগা লোয়ননা হায়রকই—

"অপা মহাক্তি মপুক শেংবনি ঐবু মানা থাগিবোই"

অতেম মচাগী পুক্লীংনা চপ য়ুংনা লেপাল্লে হায়বসে শেংনা থংলে মচাগী মনিং থুংহনবা হায়বসি মহাকী লেপল্লবা বাশক্কী, মচাগী অনিংবহ্ থুংহনগে নিংল্লে, মরুলুকথল্লে বাখলগী পাক্লবা মরুভুমদা মাংকুপ থয়দং লম্ফু ক্রুরগা তপ্না তপ্না ওঝা শান্তীবু কৌরক্লবা মচান্নুপীদা হায়রকলে, মপাগী থাখং হেক কংবগা হয়াও হয়াও কদি ইমুংদা চেনশিনখিহুনা. করি খোক্লগবগে. ববদা পূতগী মূর্ত্তিগুম লেপলিবা ওঝা শান্তীকুমারগী মথুং

প্যাইচুনা চিংলুরে শান্তিকুমারসু মাদ· লাক্তখা তৌদনা কদিগী মতুং ইন্দুনা মপাল থোরক্লে। মাঙোলদা মখোয় অনিবু থৌমাংনা ডাইরিবা অচৌবগী মখোংদা মরাল লৈরবা হুরানবশুম থুরুমলুরে, অদুম ওসিদি লুংঙাইবগী মপা লৈংখিদরে মরমদি মহাক মচাগী মনিং থুংহনবা ওমপদৌরে। অদুবু শান্তীকুমারগী মচিন্নগী করিঙ্গা থরদং ডাবা পাম্বদগী হয়েং মতম অমদা মচাবু খাদোক্লমলগা চংখিরোইদ্রা হায়না পাওহংলকলে। অদুবু অচেৎপা বাপকা লোয়নদা পুক্নীচুমগী ওইনা ওমপাক লমদা হন্নরোই থুলসিদা শিঙ্গ্রিকাওবা লৈরগনি হায়বা থম্মোয়গী অশেংবদু শান্তীকুমারগী চিনবান্দগী থোরক্লবদা অঙম থাজদবা ওমখিব্রে. জাং মিজাং খাইরবা মবুক কত্রবা সমাজ মবুক শেংলবা শাবী শানৌ অনিগী মমাংদা খাইথিরে ওসিদি।



মথংগী নিনিশুবা নুমিৎত শান্তিকুমার অমসুং কদি লুহোংবা ডারে, থুল পুম্নমক অনৌবা লুহোংবদু য়েংগদবগী মথুম মমাং কৌনব্রে! থুলগী লৈশা পুম্নমক্তা কদিবু মরাইবক কৈ থাগৎনব্রে। থুলগী মচিল চৎপা অহল লম্মলশিং থুম্লাকপা কাওবনা অচৌমগী মকমদা মচাগী মরাইবক কবচু শিংথায়রে, নুমিৎচুপ্পা অঙমগী য়ুমদু মী তিনকম থক্ল-চাকম ওইরে য়ুমথোং থুদিংদা কদি অমসুং শান্ত কুমারগী বাবিত ঙাংনব্রে। অদুবু থুম্লাকপগী মচা লোংকাকিউডি মথ চিকতুনা থাংব্রে থুদোংচাবা মকমদা শান্তীকুমারবু হাংজোকপ. নত্রগ কদিবু ফাংদুনা লৌনবা তাজা য়েংদুনা লৈব্রে।

উশ্বরনা মখোয় মখোয়গী লাইবক্তা কদি তমশিবা হায়বচুদি মনাম্মজমা থংবা ঙমদে ।

কর্ণশ্বরদা মপা লৈরবা অতম মচাগী লিকফোল ফিজেং লৈ.তং অমম্মুং ময়ামগী চান থক্লবা লৈরুমবা ইন্দ্রাণদা চৎলে । কদি অমম্মুং শান্তীকুমার নিংথৌবগী শাগরদ' মতম চুম্না তাওচুনা লৈলে. অদুবু শান্তীকুম রণী থম্মোয়দা কল্লবা নিংছমদবগী চৈনা-থোল অমদি অম্মকী মতিক কম্না কাওরক্লে পোইটৈর ভাম্না লৈহৌরবী শোল্লবী মহাকী মমাবু অমুকী মতিক মুংশিংকলে, মমা অমনা মচা পোকচরগা মচাতুগী লুহোংবদা মমাতুনা য়াওজবা ফংজত্রবদি মচা পোকচবগী কদি কাম্নক্লি । মহাকী ময়াইবক খিরবী মমানা মহাকীদমক্তা খাশা চাওজবা অমমুং মহাকপু মীমায়নবা য়োংনবদা অমুকী মতিক রাখিবা পুম্নমকতু নিংশিংলগা থম্মোয় পুবা য়াখিদরে মহাকী নিংছমত্রবা থম্মোয়গী মপাওচু কদিগী মকবদা পাওদমলগা অবাবচু থয়দং মঙেং তাপত্রা থল লিশাং শিংনা লিক্লরে, মহাকী বাগিচুনা কদিবুসু মীংকী পী থাম্বা য়াহল্লরে, পোকপদগী ইমা কৌবা ফংজয়ক্রবা কদিদি, শান্তীকুমারগী মমানা রাবনপদবচু মহাকসু থংলকলে, অমরোমদা মচাগী লুহোংবদা মমাবু থংহনজ্রবদি চাওরবা পাপ ওইগনি থাজরকলে ।

শান্তীকুমারদা থাপ্না লৈহৌরবী মমাদু লোক্লনবা অমুকী মতক কম্না তকশিল্লকলে, হায়না চৎনিংচুমা লৈরবা শান্তগী থম্মোয়দা অনৌবা থৌনা হাপচিনখ্রে, কদিগী মকমদ য়ুমদা ইমা

নোৌবা চৎলুগে হায়রুবদা মহাকচু লাম্না লৌবিগত্র হায়বা রা-কমসিন অপনবা অমা ওইহনা কাংখোকপা ঙম্মবদু কদিমক্না মচিঙ্গোক্না হায়রক্লবশিদদি মহাকী মিংজবা থুংখ্রে। অদুবু অরাবদি মপা অঙনবু অহিং লেক্লগা হয়েং হনক্লদবনি, মহাকস্থ চৎখোকপা তারবদি কদি মতোমতা নৈেহৌগদবদু থন্নবদা মখোঙ থাংদোকপা ঙমলোইদৌরে অদুবু চৎতবদি য়াদে, চৎপা তারে। কদিবু ঙমতানা চাক ঊশিং চাখোক্লগা থুম্লাকপগী য়ুমদা তুমহন্নবা শিন্নবমলে কদিনা মাবু কনা শাংনা থিনখোরকই, অঙৈ মহাক্না অহানবা লাকপা মুমিংতা লম্বী খঙদহনা লম্বুক্রবা মকমদু য়ৌরবদা শান্তীকুমারনা কদিবু নৈেহৌরো হায়রকলে, মতেক মতেক ওইবা বাহৈনা হায়বকই কদিনা —

"হয়েং ঙম্না লাকউকে।"

শান্তীকুমারনা মোমোল নোক্লদুনা মুংশিরবা মীংয়েং অমম্ন লোয়ননা হায়রকই— "কয়াম 'ঙম'।"

কদিনা নোকমি নোকনি মথুং তমলহনা —

"অদুবুরো শুক য়াম 'ঙম।।"

শান্তীকুমারনা চংশিন্নগা তুমতক তৌবা কাদলী মাংতোন্দুনা পাইদুনা চিংঙগা "ঐ ঙম্না হন্নকনি ইপা থুম্লাকপগীদা ঙন্তা চৎতুনা তুম্মুকে।"

'ঊব"

শান্তীকুমার মমাই নৈেখোরকলে খোংকাপ অমা অনি থাংদুনা চৎপা হৌখ্রে, কদিনা কন্নিগুম্বা অমা কাওবঙম ফিদুং তামরক্লগা —

'অহগনে" হাইহ্রে ভাবদা শান্তিকুমার খোংথাং লেপ্লগা মাইখো চুন কদিবু মুমা য়েংলগা —" কয়ি...." ?

কদিনা নোকমী নোকমী মমাইদু খজিক্তং চাংশিল্লগা "চয়িক পরেং অমুবগা অচৌবগা য়'ম্বব অমতং" শান্তীকুমারনা মরুক থংলহুনা —

"লৈরকউ হায়বরো"

উম"

"অকৈভদি"

"য়ারে"

মখোয়নি চাইহাক মীৎকুপতনা য়েংনহ্নুনা লৈরবগী তুংদা শান্তাকুমার তপ্পা তপ্পা চৎত্রে কদিদি নুংপাক অমগী মথক্তা লেপতুনা উরিবা মথৈ য়েংহৌই পিক্রবা থোং লম্বাক্তুগী মতুং ইন্দুনা পোংলবা উরক্তুদা শান্তীকুমার কদিগী মীৎয়েংদগী মাংখ্রে উবিকৈদদি ফয়ম্মী হেক উদবদা কদি লৈবা চম্মক্তরে মখোল খোক্রা কপখোরক্রে, মহাকী খোঞ্জেন্দু খোংখোং লেপখিরবা শান্তীকুমারদি ভাবিদরে।

মতমদো নুমিদাংবাইরমগী চাকু্ললবা কোরৌ মশেক্রা মাইকৈ থুংনা শক্লোক্রী ।



"খোংথাং মাপল"

খুমিদাংবাইরকপী তনুম তনুমলকপা ইভমচুমভুদা অরাং-লোমদগী কম্না খোয়কপা বস গাড়ি অমা কোট্টোন স্কুল মনাক্তা লেক থাম্মী, থাম্বগা মরৈ মরৈ মরি মরি কুমথংবকই, ময়াংগী মরক্তুদা মথম মনা পাংলবা মকোয় মরাং চোম্লবা হাওফি খেংপা হাওফি ইম্বা পাথং অমা কুমথরকই; অউবা খুদিংমরা চোংমী নত্তে হায়বদি কনাগুম্বা ওমলোই, অদুবু য়ুম্না য়েংশিল্লবদি চিংনবগী কল্লবা মচুগী অমা ফাওরকই, অউবা খুদিংমক্কী থক্তোক্লদা অত্তুম্না থমথাগনি; অমুক ফজবা শক্তম্বসিনা চংথোগী মরক্তা পোক্কমলিবশে পাম্মুইদকো পাথচ্ছ মী চৌদ্দবা বাংটিং খোটকী লক্বীহুদা মনিং পাংবা চংশিনখ্রে, থর চংলগা কৈথেল পোলক-লোমদা চংখ্রে, চাগী থুজি, চরিক পরেং লাইবিবী বাক্লীবা পোংকম পয়েংজুদা বোইরুপ কোইরুপ য়েংই, পোংকম কম্বী-শিংজুনা তরাম তরাম কৌশিল্লকই "ইচা নুপা করি পাম্মী ইমা গীদা য়াওবি য়েংজোলাগ, য়েংজে লাগ"।

পাথচ্ছ ককিমক্ত ভাং শক্তনা ভুম্মীম্না অতুম চংলি ইকোন কোম্বদা কমলিবা লুকমাইতুগী মপাদা চপ লেম্নী লিক পয়েং অমা মথুংনা ভাপ পায়রগা মমল হংই, কৈথেল ফম্বীতুনা শোল্লকপা মমলদু তাও লাকউকা হায়নরমদে অহায়বদু পিরম্মগা থুনা খোকখ্রে, চেন-চেন লিক পয়েংজুদা য়ুম্না য়েংই মপুক্লীংদা

থল্লী মসিনা মহাক্কী ওক্তা শীরবদি কয়া কতগবা পাখংডু অমুক পন্থবা চৌদনা উরিপোক্কী শোরোক্তা মমিং পাংনা চংশিনখ্রে, মতমদু মকম মকম থুদিংদা থাংমৈ থানগৎনরক্লে। হাওফি শেংপা হাওফি ইনবা পাখংডগী মশক মমিং অমুক তাকলুম্নবত্ত অপাবশিংমা হেন্না খংবীরমলগদি হায়বসে ঐগী থাজবনি।

লেপ্তবা থোংথাংনা পুক্নবা পাখংড় ইবোতোম্না সেকেন-দরি স্কুল য়োঁশিনখ্রে মতমদু কাওবা যরাক থোংথাং লেপত্রি. অদুবু মহাক্কী থম্মোয়দদি কল্লবা মীহুনগী থোংথাং অমা অসুক্কী মতিক কয়া থাংবা হৌরক্লে, মতম কুইনা থাদোক্লমলবা পোক্লকম লমদমদো। উরগা হোৎনবা পুক্নীগী বারি কয়া নিংশিংলক্লে, মতমড নিংথমথা ওইবনিনা মুদিং তাবগা চিকথখিবা হায়বশিমদি মহৌশাগী অসুম লেপতনা চংশিনখিবনা। পিক্কপা শাংলবা লৈরক অমদা মথা পাংনা চংশিনখ্রে. লৈরক্কুদা লৈকায়গী অহন-লোল নহারোল কয়া কয়া থেংনৈ, মখোয়শিংদুনা মাবু মর্ণক থংদে চৌংমী অমা ওইনা অদুম্মক উখ্রে, অদুবু পাখংডুগী বাখলদি তম্রিক তম্রিকখ্রে মিংদোল পিং পিং চোংই ইংলবা নিংথমথাগী অতিংড়ুবা মশাদু হুমাং মরিক মরিক কাবক্লে, কনাগুম্বা অমনা মরাকপু হেক থংখিবদা, মহাক্কী মতম কুইনগী অশা কায়খিবদা নহেন থাপ্পা মথাল থুল্দা! লৈহৌরিবী কদিরিশাংনিউগী বাখলগী দলাল মথম থংদব। কায়খিবা তাবনি।

বাখলগী অয়োইবা লৈত্রবা অমম্বা মরক্তা মঙ্গদা চংপা মীওম লেপতনা চংশিনখিবনা মখুল তুরেল তোর্ব্বাল য়োশিনগ্রে তোর্ব্বানগা তাইনবা হিঙ্গোল অমথককী থোংঙ্গাল হেক য়োবদা পাখণ্ডহ্ চপ লেপখ্রে মহাক্তা মমিংতা হৌখ্রবা মতমগী অহিং অমা মশেল মরাং উরক্লে, অহিংচুনমি মহাকপু মীহাংপ তাহনখিব্রবা, মমা কায়নহনখিবা মমিংতা নিংঙমদবগী পিরাং ঊহৌরকলে, পিরাংমা থল্লবা থমিত্তা মহাক্তা সুংশিরবা মরূপ উপেন্দ্রবু মমি শামি উরকই।

অমুক পন্থদনা থোংঙ্গালহুদা থুনমক চংশিনখ্রে, ওমাং য়োবমক্তদা থোং থাংবা ওমদবে, ওমাংদু নাপি-শিংনান ইশোং শোংলমলে ইরাং রাংনা লেপলিবা চাওরবা য়ুমজাওহগী ফক্লাং শিংদু লোয়না নিংথাইবগুম তৌরে. মী লৈরমখিনি কায়বগী থাজবা লৈরক্তরে পাখণ্ডদু মশা থক থক নিকগ্রে. তপনা তপনা চংশিল্লগা ইকায় ক য়রবা হাপু হরাংনা ইচায় চায়রবা মাঙ্গোলহুদা ক্মথরে ফম্না ফম্না মমুক্লিংদা থল্লকই,য়ুম অসিদা লৈত্রবদি মহাক্তা অহল ওইরবী মমাহ্ কদায়দা চংলমগনি, কনাদগী মমাগী অরেম্বা মরম থংবা ওমগনি, বাখলনা অয়োইবা লৈখিদরে নিংথাইরবা ফক্লাংশিংদুদা মুমা য়েংশিললুবদা ইমুংগী মচী অমদগী মুশি মুশিবা মৈতাল অমা থোরকপা উরে, হয়াও মুংঙাইবগী কল্লবা ঊথক অমগা লোয়ননা থোঙ্গদগী তোন কাওবা তু-চুংখিব। থংহৌদে, ফুক হৌগংলি, লোন্দুনা লৈরিবা ক্ষোঙ্গুগী মনাক য়োনা চংশিললি, অদুবু কবিজম্বা থৌনা অমতা লৈত্রে,

মমাগী মমাংদা মচম কুইনা মাংলুহব মশকতু উৎপা ঙমগনি হায়বা থাজরক্তরে অহুবু চংদবদনি য়াদে. মমাওইবশিংনা মচা-শিংবু করিগুম্বদসু বাগ্গৌবা ঙমদে। লৈতব থৌনা পুম্নমক পুখোক্তুনা খোঙহৎনা খ'জক্তং থেংলুবতদা খোঙহু ১থস্তা হাংদোক-চখরে, মুঙ্গাদা মূশি মূশি চাক্লীবা থৈঙালহনা ইমুংক্তুগী ওইরম-লিবা ফিতগদো মশেল মরাং উহল্লী, হিদানগী কমুংদা মী অমা তুমলিবহ উরে, ইমুংক্ত অমুক্কী মতিক গুরুপ থিমা ইচায় চাযরে য়ুমথকতুন্ন ঈহো হোরে. অতিয়াদা থোক্লীবা থবার্মিচাকশিংনা ইমুংক্তুগী দৃশ্যশিং অদু ময়েক শেংনা উবা ফংলে, য়ুমগী অহোবা শিংদগী হুমজিল্লকপা। মুংশিংনা মুংথংপিগ্রবা হিদাল মনাক্তা লেপলিবা থাওমৈহ পাখঙক্তনা চুখংলু'র থাওমৈগী থৈঙালক্তনা তুমলিবা মীহ ম.য়েক শেংনা উরলে. মহাক্কী শে মুবী মম নি। ঙপমা ঙপনা চংশিল্লি, কমুং মনাক্তা শি,লক্তরগী অক্তংপা তেংগে।ং অমদা কারি কারি ত্তৌরবা চগেম অঙৌবা থরা লৈথা উগ্নে কংলবা মমাগী থজাইহুদা পিরাং হমা হমা চেক্ষুরকপা তৈথোক-পিদবগী মমি হুতিক ফাওবা তারমলি।

পাখঙক্তগী থম্মোয় উলমা মু'শাগী মথাংদা থা'বা ঙমদবগুম পেংথোকহনখরে. কংলবা মমাগী লাইথক্তুদা তপ্না তপ্না মান-বীরগা তনিক তনিকলবা খোনজেলনা কৌরকই?

'ইম........!! ইমা....... !!

থুম্মক্তরে মুংঙায়মা তুমগ্রমাননে, পাখঙক্তনা অমুক হমা মমাগী মশাক্ত তপনা নোম্মগ হৌদোরকই অহুবু করিগু তাবিয়ে. হমা হমা কৌই থুম্মক্তরে, পাখঙক্ত লুত্তোন শ'ংগ্রে মমাগী

হকচাংগী মকম খুদিং পাইদুনা য়েংই মীহুল অমত্তম্ থিবা কংদরে শুপলিবা ফিহ্ হায়দোকলুবদা মহাক্কী কোটৌ। অমা মমাগী কংলবা মথাঙুংদা কোন্দুনা লৈরমলে, পাখদ্রু খংবা ঙমখিদরে মমাবু কোল্লগা মোং খোংবঙুম তোংবা নাঙইরক্রে মচম অশি মরুদা খোঙ্গাংলোমদা মী থবা লাংলকপা তাবে পাখঙ্গু ফিংনা হৌগংলি মম বু অরোয়বা ওইনা মুম্না য়েংই মহাক্না ইল্লকলিবা হাওফিহুন থবাই য়াওত্রব। মমাগী হকচাংদু কুপশিনবীরে, চংলগে থল্লকই অদুবু মচা অম ওইনা পোক্লগা। মমাবু সংস্কার তৌবা ঙমল্লবদি পোকপগী ফবি অদুক কায়ক্লনি স্নামা শামু মকোক অমুক চাওনা দান তৌরবনু মমাগী খে য়্নাং নাম্মুগী লম্মল শিংবা ঙমদে হ'য়নদ্রিবনি ঙসিদি অগ্নিদেবগী মমকদা মনিং থুংখিত্রবা মমাগী হকচাংদ্ দান তৌখোক্লগ খোয়্রং নাম্মগী লম্মল শিংবা ঙম্বরা য়েংলগে থললকলে কুঙ্গাদগী মৈহুম অমা পাইরে তপনা তপনা মপান খোংরকলে, চাওরবা য়ুমদ্রু তরেংলক হন্ন। কোইরে, অরোইবা ওইনা মমাবু থুরুমলে, মৈ-চুবগে থল্লুনা চিংথৈ পাংবা শাইজিলদ্দা মথুংতু থাংগংলকই, অহুমু মৈ চুবা ঙমদরে, মথুং নিকাল, মপানা শাবীরম্বা চাওরবা য়ুমদ্রু মথুংমক্না উংওলহনলগদৌরে, মাগী মতৌদ্ উবদা চাওরবা থরুবা. শেগাইরবা য়ুমজাওদ্, হিক হিক কপ্পগুম তৌরকলে।

